[illegible]



[illegible]



[illegible]

GOVERNMENT OF MANIPUR
OFFICE OF THE SUB-DIVISIONAL OFFICER, LAMSANG: IMPHAL WEST DISTRICT

অরাবা ফোংদোকপা
তাং ০৩/০৯/২০২৬



হৌখিবা তাং ০১/০৯/২০২৬ ইং লৈবাকপোকপা নুমিৎতা এসঃ দিঃ সিঃ লমসাং ওফিসতা সার্কল মন্দল ওইনা থৌপুবিরম্বা শ্রী হিদংময়ুম ꯌগোপীমুহোন শর্মা, সাং নম্বোল মখা লৈকাইনা মশাগী অনাবা অমনা মরম ওইদূনা মনুং মতম চাদনা লৈখিদবদা এসঃ দিঃ ওঃ লমসাং ওফিসকী স্টাফ পুন্নমকনা থম্মোই শোকনা অরাবা ফোংদোকপগা লোইননা মিনিট অনি তুমিন্না লেপতুনা লৈখিদ্রবগী থরাই মিরেলনা মপুগী খুয়া খাদা ঈংনা চিকনা লৈরুলবা শেম্বিবা মপুদা থৌনিজরি। লোইননা, লৈখিদ্রবগী ইমুং মনুংগী অরাবদসু স্টাফ পুন্নমকনা শরুক য়াজরি।

অরাবা ফোংদোকচরিবা
SUB- DIVISIONAL OFFICER, LAMSANG গী স্টাফশিং।

SL/Mei/04

## [illegible]/PURANA BAZAR CARD LOST

I had lost my woman vendor card / licence lost on 01/09/2026 on the way between the Ima Market to Imphal Municipal Corporation while going to payment of tax, bearing Shed No. 20, Seat 43, Licence No. 1585.

Finders are requested to handover the same to the undersigned.

*Sd/-* **Yengkhom Tamphaleima**
Tera Sapam Leirak, Imphal West
# 8794863543

*SL/Sush/04*

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR**
IMPHAL WEST (NORTH) SEKMAI

Ref. : Mutation Case No. 311 /SDC/W(N)Sekmai of 2026.

1) Takhellambam Rustam Singh, s/o (L) Olendro Singh of Kanglatongbi
2) Sanjay Kumar Thapa, s/o (L) Suraj Thapa of -do-
3) Sujata Limbu, w/o Bhim Limbu of 30 Thalupara East Khasi Hills, Meghalaya. *.....Petitioners*

-Vs-

Late Champa Devi, w/o (L) Phul Bahadur of Kanglatongbi Shantipur *.....Pettadar*

**[illegible] / NOTICE**
Sekmai, the 03 / 9 / 2026.

Under Secion 46(3) of MLR & LR, Act 1960 মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঙ্গরি মদুদি Imphal West Tashil Village No. 31-Kanglatongbi Under Patta No. ..... (Old) 928/1262 (New) Covered by c.s. Dag No. 3438/3586 গী area 0.12 acres চাওবা ইংখোল অসিগী পট্টাদার অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারিশিং অসিনা নমা পানবিরো হায়দুনা SDC Sekmai গী Court তা Application থারক্লে, অমদি ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউ–চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭(তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা SDC Sekmai গী কোর্টতা য়েৎলবা য়াগনিমতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই কেস মখা চৎথজখ্রগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Imphal West North Sekmai

*SL/Brjt/04*

## ঙসিগী ৱাষি ফল (০৪–০৯–২০২৬)

ইবোপিশক নিংথৌজা (এৱার্দি)
*এষ্ট্রো এণ্ড পালমিষ্ট, পাউনা বাজার, ইম্ফাল*

**মেষঃ** চেকশিন্না হৈশিংনা হোৎনজগনি। লুচিংবশিং লমলানবশিংনা চানবিরগনি। পোৎ লৈবা য়াগনি। লমতু চৎপা কান্নগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – লৌ তৌনগনি।
মহৈরোয়শিংগী – ৱাখল চরাংনগনি।

**বৃষঃ** তুং মাঙ য়েংলগা থৌরম পাঙথোক্লবা হোৎনজগনি। শেল পীথোক পীশিন্দা হৈ শিংগনি। য়েংশিনবা য়াম্লগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – ৱারৌনগনি।
মহৈরোয়শিংগী – হোৎননিংলোই।

**মিথুনঃ** থবক থৌরম য়াম্বা ওইরগনি। শেল ফংবা, অনৌবা পোৎ লৈবা য়াবা, মিংচৎ হেনগৎপা, শাগৈনা চানবিবা, শান্তি লৈবা ওইরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – ৱাখল মান্নগনি।
মহৈরোয়শিংগী – লৌশিং হেনগৎলগনি।

**কর্কটঃ** অশাওবা, ৱারৌবা লোয়নরগনি। খৎননিংগনি। মরুপ ওইরম্বদু খুদক্তা য়েক্নবা ওইখিগনি। গাড়ী তপ্পা থৌগনি। শোক্কনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মুক্নগনি।
মহৈরোয়শিংগী – ৱাখল চঙলোই।

**সিংহঃ** ৱাখল চঙবা থবক থেংনরগনি। মরুপ মফম খরদি ফগৎলগনি। চথোক চৎশিন্দা মী তিন্নবদি কান্নগনি। ইমুংদা চরাংনগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মত খেন্নগনি।
মহৈরোইশিংগী – হোৎননিংলোই।

**কন্যাঃ** চেকশিন্না হোৎনজবতনা অফবা ফল ফংলগনি। অচৌবশিংনা চানবিবা, মতেং পীবিবা য়াম্বা, পোৎ লৈবা য়াবা, অরাপ্পা চৎপা কান্নবা ওইরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – অমত্তা ওইরগনি।
মহৈরোয়শিংগী – লৌশিং হেনগৎলগনি।

**তুলাঃ** খুদোংচাবা মায়োক্লবা, শেল ফংবা, উপাই তৌবিবা য়াম্বা, শক খঙবিবা হেনগৎপা, চথোক চৎশিন্দা কান্নবা, ইমুংদা শান্তি লৈবা ওইরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – ৱাখল মান্নগনি।
মহৈরোইশিংগী – বুদ্ধি চাওখৎগনি।

**বৃশ্চিকঃ** পূক্নিংদা ৱারৌবা লৈরগনি। খৎননিংগনি। গাড়ী তপ্পা থৌগনি। মীগী মতেং পাংলুদবা ফগনি। লম চৎপা ফবা ৱাৎলগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মুক্নগনি।
মহৈরোইশিংগী – ৱাখল ফকচিনগনি।

**ধনুঃ** হোৎনজমন কান্নবা, চাওখৎপা ফগৎপা, থৌরম মায় পাকপা, শেল ফংবা, শক খঙবিবা হেনগৎপা ওইরগনি। ইমুংদা শান্তি লৈরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – নুংশিনগনি।
মহৈরোয়শিংগী– হোৎননিংগনি।

**মকরঃ** হকচাং ৱাখল থবক্তা অফবা ওইরগনি। মরুপ মফম পাক চাওরগনি। মিংচৎ হেনগৎলগনি। শীংথাবদা য়াওরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – অমত্তা ওইরগনি।
মহৈরোয়শিংগী – লৌশিং হেনগৎলগনি।

**কুম্ভঃ** খুদোংচাবা থেংনবা, চাওখৎপা, লুচিংবশিংনা চানবিবা, লম চৎপা মী তিন্নবা কান্নবা ওইরগনি। ইমুংদা শাান্তি লৈরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী –মত চান্নগনি।
মহৈরোয়শিংগী – হোৎননিংগনি।

**মীনঃ** তপথবনা হেন্না ফরগনি। থবক মচাদি পাঙথোক্লগনি। চঙজরকপা কনখৎলুগনু। চথোক চৎশিন্দা চেকশিনগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী– মুক্নগনি।
মহৈরোয়শিংগী – ৱাখল চঙলোই।

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 9 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1068**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 4 | | 8 | | | 9 | 1 | |
| | | 7 | | | 1 | | 8 | 4 |
| 5 | | | | 6 | 9 | 7 | | |
| | | 9 | | 1 | 4 | 8 | | |
| 7 | 3 | 6 | | | | | | 1 |
| 8 | | 4 | 9 | | | | | 7 |
| | 9 | | | 7 | | | 4 | |
| 1 | | | 6 | 4 | | | | |
| | 7 | | 1 | | 8 | | | |

সনা–সুদোকু–১০৬৮গী সোল্যুসন লমাই ৬দা

# লৈকাই মীয়ামদা অকায়বা পীবগী থৌদোক তুংদা থোক্তনবা হোৎনসি: হজি অরাফত অলি

ইম্ফাল,সেপ্তেম্বর ০৩ (এস এন এস)ঃ অহিং অথেংবদা লাও খোংদুনা লৈকাই মীয়ামদা অকায়বা পীবগী থৌদোক তুংদা অমুক হন্না থোক্তনবা হোৎনমিন্নসি হায়না মৈতৈ পাঙল কাউন্সিল মণিপুর (এম পি সি এম) গী প্রসিদেন্ট হজি অরাফত অলিনা ফোংদোরক্লি।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা গোলাপতি অৱাং লৈকাইদগী ফিশুবম ৱাহিদুরনা গোলাপতি হট্টাগী মীয়ামদা শেং দোরকপগী মতাংদা হজি অরাফত অলিনা হায়, হৌখিবা ওগষ্ট ২৬ কী নুমিদাং পুং ১১.৩০ রোম তাবদা থোকখিবা লাইবক থিবা থৌদোক অমদা অশোক অপন নংখ্রবা গোলাপটি হট্টা লৈকাইগী মীয়াম অমদি এম ঐচ জি এ যুগী টিম মেম্বর খরা অশোক অপন নংহনখিবা অদুগীদমক্তা ৱাহিদুর মশামক্তা নুংঙাইতবা ফোংদোরক্লি।

মরম অদুনা গোলাপতি হট্টাদা লৈমিন্নরিবা অহল লমন, ইচিল-ইনাও, ক্লব, ওর্গনাইজেসন, এসোসিয়েসনশিংনা অসিগুম্বা থৌদোক মখা তানা থোক্লক্তনবা হোৎনজগে। নুমিৎ অদুদা থোকখিবা লাইবক থিবা থৌদোক অদুদা ফিশুবম ৱাহিদুরগা ক্লব অমদি লৈকাই মীওইশিংগা অতন্নবা নুংঙাইনদবা অমত্তা লৈখিদে হায়না মহাক মশামক্লা ফোংদোরকপা লৈরে।

চহী অসিগী ওগষ্ট ২৪ অমদি ২৫ দা গোলাপটি অৱাং লৈকাইদা লৈবা ৱাহিদুরগী য়ুম মমাঙদা মীওই খরনা নুমিদাং মতমদা কা হেন্না লাঙবা অমদি ৱাহিদুরগী মনাওনুপা য়াওনা মহাক মশামক্তা ওনশিন দুনা ফুন-চৈনবা তৌরকপদগী ইম্ফাল ইষ্ট পুলিস ষ্টেসন্দা ৱাহিদুরনা রিপোর্ট তৌখিবনি। মখা তানা থৌদোক অদুগী মতাংদা চমথোক্লবা হোৎনরিঙৈদা খঙহৌদনা ৱাহিদুরগী য়ুমদা অহিং অথেংবদা লাও খোংদুনা য়ৈখাই থিনগাইবা কয়া তৌরকখিবনি। মদুদা পেন দবদগী ৱাহিদুরনা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অদুনা মরম ওইরগা লৈকাই অসিমক্কী ক্লবকী মেম্বরশিং য়াওনা মীওই খরা অশোক অপন য়াওহনখিবা অদুগীদমক ফিশুবম ৱাহিদুর মশামক্লা নুংঙাইতবা ফোংদোরক্লি। লোয়ননা অশোক অপন নংলবশিংদসু ৱাহিদুরনা শরুক য়ারি হায়না ঙাকপিনবা ৱাফম থল্লকপা লৈরে। মরম অদুনা অসিগুম্বা থৌদোক অসি তুংদা অমুক হন্না থোক্তনবা লৈকাই অসিদা লৈরিবা মীপুম খূদিংমক্লা অমত্তা ওইনা হোৎনমিন্নসি হায়নসু হজি অরাফত অলিনা থমখি।

## ‘এন ঐচ ৩৭ এরোপ্লেন তাবা য়ানা...

*লমায় ১গী মখা...*তৌরোইদবা ওইরবদি করিগী অরানবা প্রোপেগন্দা তৌরিবনো হায়খি। চহী ১০ ফারক্লবা অসিফাওবা নেস্নেল হায়ৱে এন্দ ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসন লিমিটেদ (এন ঐচ আই দি সি এল) না নেস্নেল হায়ৱে শেন্বা লোইশিনদ্রিবনো, করম্বা মতমদা লোইশিনগনি হায়বা ৱাহংশিংসু হংখি। এম এল এ মেঘচন্দ্রগী পাউখুম পীরদুনা সি এম খেমচান্দনা হায়খিবদা, ইম্ফাল জিরি লম্বী য়ান্না ইমপ্রুভ ওইরে। অদুবু কিলোমিটর ৫০ রোমদি য়ান্না খুদোং চাদবা মায়োক্লরি। শেন্বা হৌদ্রিঙৈদা চীং নীংখায়রকপশিংনা খুদোংচাদবা কয়া অমা মায়োক্লহল্লি। কিলোমিটর ১৫০ রোমদি য়ান্না মওং তানা সেমলক্লি। নোং চীংগী ফিবম ফরক্লবা মতমদা অথুবা মতমদা শেন্বা লোইশিনগনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়খি।

ষ্টেট এদমিনিষ্ট্রেসন হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহনবগা লোয়ননা ষ্টেটকী ইনফ্রাষ্ট্রকচর হেন্না ফিভম ফগৎহনগনি হায়বগী থাজবা সি এমনা হাউতা পীখি। মখল মখা কয়াগী চাওখৎ থৌরাংগী স্কিমশিং খুদোংচাবশিং মতম চানা ফংহনগনি। ইলেক্টেদ রিপ্রেজেন্টেটিশিংনা পুখৎলকপা ইং তপ্পা হঞ্জিনহন্নবা খোঙথাং, লো এন্দ ওর্দর মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা অমদি ষ্টেটকী ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং ফগৎহন্নবগী খোঙথাং য়ান্না ইনক্লুসিব ওইবা মওংদা পায়খৎনবা রিএফার্ম তৌখি।

## বেজ ইয়ার য়াওদনা এন আর সি তৌনবা...

*লমায় ১গী মখা...*

য়ুমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মহেশ্বরনা কুমজা ১৯৫০দা ম্যান্মার অমদি মণিপুরগী ঙমখৈগী কিলোমিটর ৪০ রোম পাক চাওবা মফমদা ফ্রি মুভমেন্ট রেজিম (এফ এম আর) চৎনরম্বনা মতম অদুদগী হৌনা মণিপুরদা মীতোপ কয়া চঙশিল্লকপা হৌরখ্রবনি হায়বা অসি খঙমিন্নবা চঙই। এ নআর সি চৎথরগনি হায়রবসু বেজ ইয়র ১৯৫১ অসিদা য়ুম্ফম ওইদ্রবদি মীরমদগী নারোনদা মণিপুরদা চঙশিল্লকখিবা ইলিগেল ইম্মিগ্রেন্তশিং অসি মপুং ফানা তকথোকপা ঙম্লোই হায়খি।

মহাক্লা মখা তারদুনা হায়, মমা লৈবাক ওইদবনা মণিপুর নুংশিবা মশক খঙদবা ইলিগেল কয়া লমদম অসিদা লৈশিল্লকপানা ঙসি মণিপুরদা অচৌবা চৈথেং অসি নঙবনি। মণিপুরদা কুমজা ১৯৫১দা বেজ ইয়র ওইবা এন আর সি চৎনহন্নবা হোৎনগনি হায়বা ৱাফম আর পি আই অথৱালেগী নেসনেল প্রসিদেন্টদা অচৌবা চৈথেং অসি নঙবনি। মণিপুরদা কুমজা ১৯৫১দা বেজ ইয়র ওইবা এন আর সি চৎনহন্নবা হোৎনগনি হায়বা আর পি আই অথৱালেগী নেসনেল প্রসিদেন্টসু ওইরিবা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রামদাস অথৱালেনা থল্লক্লিবা অদুমক থবক্তা ওন্থোকহন্নবা তকশিনগনি।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অমনা থল্লম্বা ৱাফম অসি তরায়না লৌফদে, তৌরোইদবা ৱাফমদা পঙহায়দা হায়জিনলম্বা নত্তে। পার্টি অসিনা মণিপুর য়াইফ খোঙথাংদা মীৎয়েং চঙবিবা কয়া অসিনা পার্টি অসিদা লৈবনি, মীয়ামগী মায়োক্তা লেপ্পলকপা মীকুপ্তা পার্টি অসি থাদোক্কনি। মীয়াম্নসু তুংগী মীরোলগী খল্লগা অওনবা অমা শাগৎপদা পূন্না ময়োং য়ামিনশি হায়না মহাক্লা ফোংদোকখি।

## হৌজিক ৱাখল তাহৌদ্রবদি হৌরক্লিবা...

*লমায় ১গী মখা...* তুংলমচৎ অমগী লান্থেংনি হায়বা অসি খন্থমিনবা চঙই। মীখল মতম নকশিল্লক্লবা মতদা তোঙান তোঙানবা অরানবা পান্থৈ শীজিন্নদুনা শেলনা মীৎ থকহন্দুনা লমদম অসিবু অমুক হন্না কাং খোং চায়নবা হোৎনরক্লিবা কয়া অসিদগী লাপথোক্লা লৈনবা ৱাশক পরৈ চনবগী থৌরম অসি পাঙথোকপনি হায়খি।

কুমজা ২০২৩গী মে ৩দগী চৎথরক্লিবা ইরাং অসিনা মরম ওইরগা শেন্মিৎলোনদা চাউনা লৈখা তাদুনা লৈরুবদগী ঙসি মীকপ থোক্লকপা হৌরকপা মীকুপ অসিদা নমথাক্কী লাং থাদুনা মীয়ামবু লান্না লমজিংনবা মায়কৈ কয়াদগী হোৎনরক্লি হায়খি।

মহাক্লা মখা তারদুনা ইরাং মনুংদা লল্লাই এ সিগী মনুং চন্না লৈবা থম্নাপোকপী, সান্তিখোংবাল, য়াইঙং পোকপীনাচিংবা মফমশিংদা কুকি মিলিটেন্তশিংনা নুমিৎ কয়ানি চুপ্পা লান্দরকপদগী মীচম মীয়ামশিংনা খম থেংনা ৱাহনখিবা অমদি খুল থাদোক্লগে হায়বা ৱাখল্লোন পোক্লখিবা মতম অদুদদি এ সি অসিগী লুচিংবনি হায়না ঙসি মীখলগী মতমদা থোক্লকখিবশিং অসি থোক্লকখিদে।

ঙসি ঙসিমকসু এ সি অসিগী মনুং চন্না লৈবা থ্বালাতাবিগী খুঞ্জাশিংনা রিলিফ কেম্পতা চঙচফম লৌদুনা লৈরিঙৈ চৈরক অসিদা মীখলগী মীংদা লৈকাই লৈকাইদা চাকচা হৈজানবগী থৌরমশিং পাঙথোক্লরকপা লাইবক থিবনি। মীয়ামগী অৱাবা উবা ঙমদবা মীখল অসি বিজি নেসনি খনবা মীহুৎ ওইদুনা শেন্দোং তানগনি খল্লিবা লুচিংবা শাবশিং অসি মীয়াম্না পরা তন্বীবা মতম ওইরে। হৌখিবা মীখলদা অশোয়বা লৈদুনা অচুম্বা মীরেপ থাগৎহৌদ্রবসু ঙসি মীয়াম্না থেংনরিবা চৈথেং অসি য়েংলগা অশোয়বা অসি শেমদোকহৌদ্রবদি চাকনি ফিনিবদগী হেন্না শাথিবা পূন্সি মরেল অমা ওইরক্কনি। নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা মণিপুরগী গভর্ণর অজয় কুমার ভাল্লানা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, জন্মআষ্ঠমী নুমিৎ অসি কৃষ্ণগী মপোক নুমিৎপু মীয়াম্না নীংশিংবা ওইনা চহী খূদিংগী পাঙথোক্পা কুম্মৈনি। ভগবত গীতাদা কৃষ্ণনা তাক্লম্বা তন্বীরম্বা কয়া অদুনা মীওইবা কয়াদা চাউনা শাফু পীদুনা অচুম্বা লম্বীদা পুবদা চাউনা মতেং পাংলিবনি। জন্মআষ্ঠমী অসি ইচম চম্বা কুম্মৈ অমা নত্তে। কুম্মৈ অসি নুংশিবা, কথোকপা অমসুং অফবা কয়াবু শীংথানবা কুম্মৈ অমসুনি।

নুমিৎ অসিনা লাকপদা মণিপুরদা তংদু লৈতাবা অমগা অমগা নুংশি-চান্নবা, অমগা অমগা ইকায় খুন্নবা অমসুং মচিন মনাও ওইবগী

## ত্রোংলাওবীগী থৌদোক এন আই এনা থিগৎলি...

*লমায় ১গী মখা...* ৱাফম অসি হোম মিনিষ্টরনা ফোংদোকখিবনি।

এম এল এ রঞ্জিৎনা হাউসতা পুখৎলকখিবা ৱাহং অদুগী পাউখুম পীরদুনা হোম মিনিষ্টর গোবিন্দাসনা হায়, ত্রোংলাওবী অৱাং লৈকাইদা চহী অসিগী এপ্রিল ৭তা থোকখিবা বোম পোকখায়বগী থৌদোক্তা পীক্লিবা মচিন মৌপ্পাগী থৱায় মাঙহনখিবা অদুগা মরী লৈননা এন আই এনা চেন্নবা মীওই অমা ফাগৎপা লৈরে। অদুবু মীহাৎ অদু করি মরমগী চথখিবনো হায়বা অদুদি হৌজিক এন আই এনা ইনভেষ্টিগেসন চথরি।

থৌদোক অদুদা পোলিটিকেলগী খূৎ য়াওব্রা নৎত্রগা য়াওদব্রা হায়বদুদি এন আই এনা থিগৎলিবনিনা চপ চানা পাউ খঙবা লৈত্রি। থৌদোক অদুদা চেন্নবগীদমক এন আই এনা ফাগৎলিবা মীওই অদু য়ু কে এন এগী মশক নাইবা কাদর অমনি হায়বদি খঙবা ঙম্লে। অদুবু লৈঙাক্তা চপ চাবা অইবা ওইনা লৈত্রবসু ত্রোংলাওবী থৌদোক্তা চেন্নবগীদমক ফাগৎলবা মীওই অদু য়ু কে এন এগীনি হায়বা পাউ লৈবগা লোয়ননা থৌদোক অসিগী মতাংদা এন আই এনা চথরিবা ইনভেষ্টিগেসন অসি হেন্না খুমাঙ চাউশিনবা ঙম্লি হায়বগী থাজবদি লৈ হায়খি।

ঙসিগী মীফম অদুমক্তদা ওপোজিসন মেম্বর কে রঞ্জিৎনা চহী অসিগী মে ১৩দা লৈলোন বাইফৈ খুলদা কোন্সা খুলগী নাগা মীচম ৬ ফারগা ওৎ-নৈরবা মতুংদা হাৎখিবগী থৌদোক্তা মীওই কয়া ফাগৎলবগে হায়বা ৱাহং হংলদুনা পুখৎলকখিবা ষ্টার ক্বেইসন নম্বর ৩৩২গী পাউখুম পীরদুনা গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা হায়, নাগা মীচম ৬ হাৎখিবগী থৌদোক্কা মরী লৈননা এন আই এনা ইনভেষ্টিগেসন চথদুনা চিংনবা মীওই ৪ ফাগৎপা লৈরে। ফাগৎলবা মীওইশিং অদুনা হায়দোরকপদগী অনৌবা মীওই ৪ অমসু আইদেন্টিফাই তৌদুনা এন আই এনা কন্না থিগৎলি হায়বগী পাউ লৈরে। এন আই এনা কেস পায়বনা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি নাগা মীচম ৬ হাৎপগী থৌদোক অসিদা সূদা লৈরিবা কে এন এফ-পি য়াওই নৎত্রগা য়াওদে হায়বগী চপ চাবা ৱাফম লৈত্রি। এন আই এনা দিটেন তৌরবা মতুং থৌদোক অদুদা চেন্নবগী মমি তাদবদগী লৈবোন বাইফৈগী খুল্লাকপা অমদি পুলিস কন্সটেবল ষ্টেটমেন্ট লৌরবা মতুং থাদোকখিবনি হায়বগী পাউসু লৈরি। এন আই এনা কেস পায়বনা থৌদোক অসিদা চেন্নবশিং অমত্তা লেন্না করিসু থারোই হায়বগী থাজবা চাউনা লৈ।

পাউখুম অদু তারবা মতুং কে রঞ্জিৎনা মণিপুরগী ইরাং অসিদা থোকখিবা মীশি মীনাশিংগী অচুম্বা ৱায়েল ফংহন্দবনা হৌজিক ফাওবা ৱারোইশিন পুরকপা ঙমদনা লৈরিবনি হায়বগী নুংনাংবা ৱাফম থল্লদুনা লৈঙাক্লা থৌদোক খূদিংমক এন আই এদা শীন্নখ্রে হায়দুনা লৈশিনবগী মমি তারকপা অসিগী মতাংদা ৱাফম থল্লদুনা লৈঙাক অসিসু এন আই এদা শীন্নখ্রসিরা হায়বা ৱাহং হংখি। লোয়ননা নাগা মীচম ৬ হাৎপগী থৌদোক য়াওনা নৌহৌননা থোক্লক্লিবা থৌদোকশিংগী মতাংদা দিপ্যুটি সি এম লোসি দিখো য়াওনা নাগা এম এল এশিংনা দিপ্যুটি সি এম নেমচা কিপগেন অমদি মহাক্কী মপুরোইবা কে এন এফ-পিগী চেয়রমেনগী মথক্তা এক্সন লৌখৎনবা লৈবাক অসিগী হোম মিনিষ্টরদা তকশিনখিবগী ৱাফম পুখৎখি। মসিগী মতাংদা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর অমদি হোম দিপার্টমেন্টনা করি থবক পায়খৎলবগে হায়না এম এল এ রঞ্জিৎনা হাউসতা ৱাহং হংখি।

ওপোজিসন মেম্বর রঞ্জিৎনা পুখৎলকখিবা ৱাহংশিং অদুগী পাউখুম হোম মিনিষ্টর গোবিন্দাসনা পীরবা মতুং হাউসকী লীদরসু ওইরিবা চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচান্দনা হায়, লৈখিদ্রবা নাগা মীচম ৬কী ইমুং মনুংগী মীওইশিংগা লৈঙাক্লা উনদুনা ৱারী শাবসু লৈখ্রে। লৈঙাক অমদি এন আই এগী জুরিসদিক্সন অসি তোঙান তোঙাল্লি। মীহাৎ অদুগী মতাংদা অচুম্বা ৱায়েল পুথোক্লবা তকশিনবা হায়বসি করিসু কায়দে। মদু নত্তদুনা হান্না হেক্তা অচুম অরান লেপ্পগী থৌওং অসিদি নুংঙাইতে। ওপোজিসন মেম্বরনা হাউসতা এন আই এদা লৈঙাক শীন্নখ্রসিরা হায়বা ৱাফম থমখিবা অদুমক্তি তাবদা নুংঙাইতে হায়খি।

## পার্টিগা মরি...

*লমায় ১গী মখা...* সেন্ট্রেল মেদিয়া কো-ওর্দিনেটর কমরেদ লেনিন মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোংদোরক্লি। লোনা থিংখ্রবা লুপ অসিনা থাদোরকপা চেরোলনা মখা তারদুনা হায়, ইরমদম অসিদা কাং লুপকী ইরাং হেক থোকখিবদগী হান্না য়াওলুপশিং দা কাবুক শাবুক শন্নরম্বশিংনা অরাকপা বোম অমদি নোংমৈ শীজিন্নদুনা তোঙান তোঙানবা লুপশিংগী মীং দা লৈবাক মীয়ামদগী শেনখায়-থুমখায় তৌবা ঐখোয় পুম্নমক্লা খঙলবা ৱাফমনি। হায়রিবা লুপশিংগী মীং দা শেনখায়-থুমখায় তৌবশিং লুপ অসিনা অকনবা মীৎয়েং চঙলগনি। রামকুমারগী য়ুমদা বোম থল্লক্লিবা অসি কন্না কনানো হায়বা লুপ অসিগী অর্বান ওপরেসন টিমনা কুপ্পা থিজিল্লি। চপচাবা খুদম চাংদম হেক ফংবগা লুপনা লৈবাক মীয়াম খঙনা থবক তৌরক্কনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোংদোরক্লি।

## অঙাং ১দগী হেন্দনা...

*লমায় ১গী মখা...* হায়বা থিমদা ৱার্কসোপ হৌদোকপগী থৌরমদা অথোইবা ৱাঙাংলেইগী ৱারোল পীরদুনা ৱাফম অসি পদ্মশ্রী নিবেদিতানা ফোংদোকখিবনি।

লৈবাক অসিগী খুন্নাইদা ফেমিলি হায়বদি খুন্নাই অসিগী খ্বায়দগী পীকপা অমদি নেচরগী শরুক অমনি। খুন্নাই অমা চঙৌৎনবা মতৈ-মনাও মতেং পাংনবা অমনা অমবু ইকায় খুম্না মথৌ তায়। লৈবাক অসিদা লৈরিবা ইমুংশিং অফবা ওইরবা মতম খক্তা লৈবাক অসি চঙৌৎপা অমদি বিশ্বগুরু ওইবা ঙমগনি। ঐখোয়না লন-থুম অমদি হকচাংগী কন্নাৎশিংগী অপাম্বা খক্তা য়েংলগা থবক তৌরবদি খুন্নাই অসিগী তু লমচৎ অফবা ওইরোই।

মমা-মপা ওইবশিংনা ইচা ফহনগে হায়রবদি ঐখোয় ইচা-ইশুশিংগী মমাঙদা ফিদ্মন্নফম ওইবা মীশক অমমম ওইবা চঙই। লোয়ননা অঙাংগী অফবা ইনভাইরোমেন্ত অমসু শেন্বা মথৌ তাই। মরম অদুনা ঐখোয় ধর্ম লৈবা, লৈবাক্কী য়াইফন্নবা খনবা মীশক অমমম ওইন্নবসু হোৎনবা তঙায়ফদে হায়না মহাক্লা মখা তানা ফোংদোকখি।

## বি জে পি লৈঙাক্লা এন আর সি বেজ...

*লমায় ১গী মখা...* ১৯৫১ দা বেজ ইয়র ওইরগা এন আর সি তৌনবা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা ষ্টেট গভর্ণমেন্টদা খঙহনলকপা লৈত্রি। ১৯৮০-৮১ দা এমসু অমসুং এমসকোক অনিনা মতমদুগী চীফ মিনিষ্টর আর কে দোরেন্দ্রোদা ১৯৫১ দা বেজ ইয়র ওইরগা য়ান্ন চেইনখ্রবনি। ১৯৮১-৮৪ প্রসিদেন্ট রুল (পি আর) গী মতমদা মণিপুর লৈঙাক্লা এমসুগা ১৯৫১ দা বেজ ইয়র ওইরগা এন আর সি তৌবা হায়না অনিরক শুবা ওইনা এগ্রিমেন্ট তৌনখি। ঙরাং এসেমব্লিগী মীফমদা বেজ ইয়র পল্লমদনা এন আর সি তৌরনি হায়না এসেমব্লি মীফমদা লৌখিবা ৱারেপ অদু বেজ য়র ১৯৫১ গী বেজ ইয়রদা এন আর সি তৌনি হায়না মনিপুর মীয়ামদা লাউথোকপিয়ু হায়না এম পি পিগী মায়কৈদগী ইন্দিয়া অমদি মণিপুর গভর্ণমেন্টদা চেরোল অসিনা অকনবা ৱাফম থল্লক্লি।

## আই দি পি ৬০,০০০ লোম লৈরম্বগী মনুংদা...

*লমায় ১গী মখা...* খূৎলায় পায়দুনা খৎনখিবা ঙাক্তনা ইরাং অসিগী ভিক্টিম নত্তে। আই দি পিশিং মশাগী ময়ূম ময়ূমদা হঞ্জিলহনবা অমদি ইং-তপ্পা পুরক্লবগী খোঙথাংদা এম এল এশিংনা লৌখিবা থৌদাং থাগৎলি। আই দি পিশিংগী রিহেবিলিটেসনগীদমক্তা হান্না য়ুম লীশিং ৭ শানবা সেঙ্কসন তৌরকখিবা লৈরে। মসিনসু অরোইবা নত্তে। য়ুম শানবগী লুপা লাক্ষ ৩ ওইরিবা অসি লাক্ষ ২ হেনগৎহন্দুনা লুপা লাক্ষ ৫ ওইহন্নবগীদমক মরী লৈনবশিংদা প্রপোজেল থাখ্রে। হৌজিক্কী ওইনা য়াগনি নৎত্রগা য়ারোই হায়বদি ঙমদ্রি।

নাকল অমরোমদা রিহেবিলিটেসনগীদমক পক্কা য়ুম শানবগী লুপা লাক্ষ ১০, সেমি পক্কাগীনা লাক্ষ ৭ অমদি কচ্চাগীনা লুপা লাক্ষ ৫ পীনবগী ৱাফম অমুক হন্না য়েংশিনখিগনি। শেলগী মতেং পাংবা খক্লা চহী ৩ হেন্না ইরাংগী অৱা চৈনা খাংলক্লিবা অসি মেনখৎপা ঙম্লোই। মতম কুইরবা ইরাং অসিনা আই দি পিশিংদা তোঙান তোঙানবা মখলগী অৱা-চৈথেং অমদি ৱাখলগী লায়না ফাওবা নাবগী খূদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি। হীরম অসিদা হেল্ঠ দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগীসু অঙম্বা থৌদাং লৌখত্নুনা লাক্লি। আই দি পিশিংগী রিহেবিলিটেসন অমদি শেন্থোক লম্বী লৈহন্নবগী মতাংদা প্লান্নিং দিপার্টমেন্টকসু য়ান্না কূপ্পা খন্নরি। লেবর দিপার্টমেন্টকী লেবর কার্দ পীবা অসিসু আই দি পিশিংদা হিংনবগী অচৌবা মতেং অমনি। লোয়ননা ইম্ফাল-দিমাপুর-গুৱাহাতিগী বস সার্ভিস হৌখ্রবা মতুং মোরে ত্রেদ রোদ অসিসু হাংদোক্লবা য়ান্না কন্না হোৎনরি। থাজনবগী চাং নেমখিবনা মরম ওইদুনা হায়রিবা থবকশিং অসি য়ান্না থুনা পায়খৎনবা হোৎনবদা খূদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি। অদুবু তপ্পা তপ্পা থাজনবগী ফিভম শেমগত্নুনা ইং-তপ্পা পুরক্লবা তংদু লৈতানা লৈবা ঙন্নবা, রিসেট্টলমেন্ট তৌরকপা অমদি শেন্মীৎলোন অমসুং খুন্নাইগী ওইবা থবক থৌরম কয়া পায়খৎপা ঙন্নবা হোৎনরি হায়নসু ফোংদোকখি।

## নেমচা কিপগেনগী মথক্তা এক্সন লৌখৎত্রবদি...

*লমায় ১গী মখা...* দিপ্যুতি চীফ মিনিষ্টর অমমম হাপ্পগা মণিপুরদা তংদু লৈতাবা পুরক্লবা মাগী মাগী থৌদাং লৌন্নবা হোৎন্দুনা লাকখিবনি। অদুবু কুকিশিংনা অনীরকশুবা ওইনা নাগাশিংগী মফমদা লান্দাবা হৌরত্নুনা মণিপুরগী ওইরিবা ফিভম অমুক্কা হেন্না শোকচিল্লকখি।

কুকিগী দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ওইনা লৈরিবা নেমচা কিপগেননা ঙসি ফাওবা নাগা তাবা নত্রগা মৈতৈ তাবা মফম অমত্তদা চৎতুনা মহাক্কী থৌদাং পাঙথোকপা লৈত্রি। মদুগী ওন্ন তৈনবদা সাইখুল এ সিগী এম এল এ কিমনিওনদি উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী লিতানদা লাক্তুনা নাগা অমসুং কুকিগী মরক্তা থোক্লিবা ইরাং শঙতাইনবা হোৎনখি।

মদুদসু নত্তনা ইরাং থোক্লিবা নাগাগী খুলশিংদা চৎলগা পন্দুনা লৈরিবা নাগা ফূরুপকী মীয়ামবু শাফগদবা মফমশিংদা হোন্দোক হোঞ্জিন তৌখি। দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ওইনা লৈরিবা নেমচা কিপগেনদি মণিপুর লৈঙাক্লা হোৎনরিবা তংদু লৈতবা হঞ্জিল্লক্লবা থবকশিংদা শরুক য়াবদি লায়রদনা মহাক্কী মপুরোইবগী লালহৌলূপপু শৌগৎলগা ইরাং হেন্না থোকহল্লে হায়না মরাল শীখি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, মণিপুরদা মৈতৈ অমসুং কুকিগী মরক্তা থোকখিবা ইরাংদা নাগাশিংনা নাকল নামগী মীচং চঙদনা ময়াইদা লেপ্পলগা লৈখিবনি। নাগাশিংনা কুকিশিংবু ঙাক শেন্দুনা অমসুং লৈফম চাফম পীরগা ফাওবা থমখিবনি। অদুবু মৈতৈগো ইরাং লোয়খ্রবা মতুং নাগাশিংদা অমুক লান দাবা হৌরকপনি। অসিগুম্বা ইরাং অসি মখা তানা চথদনবা হোৎনবা চুমগনি।

নাগাশিংনা মীওইবগী মীনুংশি য়েংলগা ফাজিনখিবা কুকি ১৪ তেক্তা কায়দনা থাদোকখিবনি। অদুবু কুকিশিংনদি নাগাগী মীওই ৬ তমথিনা হাৎলগা হুন্দোক্লম্বনি। পূম্নমক অসি য়েংলগা নাগাশিংগী চপ চাবা ফিরেপ লৌরকপনি। কে এন এফ-পিগী লুচিংবা থাংবোই কিপগেনগী লোয়নবী নেমচা কিপগেনগী মথক্তা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরনা করিগুম্বা এক্সন লৌখৎতবা তারগদি মণিপুর লৈঙাক্তা নাগাশিংনা তৌরিবা সপোর্ট ফাওবা হন্দোরকপা য়াই হায়না মহাক্লা ফোংদোকখি।

পনবা য়াই, কুমজা ২০২৩গী মে ৩দগী মণিপুরদা থোরকখিবা ইরাং অসিনা মরম ওইরগা চহী ১ রোম প্রসিদেন্ট রুল লৈরুরবা মতুংদা য়ুম্নাম খেমচান্দনা চীফ মিনিষ্টর ওইরগা নেমচা কিপগেন অমসুং লোসি দিখোনা দিপ্যুটি সি এম ওইরগা মণিপুরগী অনৌবা লৈঙাক শেমখিবনি।

মৈতৈ কুকিগী ইরাং খরামখৈ নেমথরে হায়না খৎলকপগা কুকি নাগাগী ইরাং অমুক হেন্না কনখৎলকখিবনি। মসিগী মতাংদা হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা নাগা ফুরুপকী লৈরিবা এম এল এ ৯না পূন্না খূৎয়েক পীদুনা কুকি নেসনেল ফ্রন্ত (কে এন এফ-পি)গী লুচিংবা থাংবোই কিপগেনগী লোয়নবী নেমচা কিপগেনগী মথক্তা এক্সন লৌখৎলু হায়না য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট সাহদা ৱাকৎখিবা লৈখ্রবনি।

## কে আই এমনা অমিট সাহদা কাউন্টর...

*লমায় ১গী মখা...* চথদুনা পোলিটিকেল ওইবা সোল্যুসন অমা পুরক্লবা হায়জখিবনি হায়রি।

কাউন্টর মেমোরেন্দম অদুদা কুকি ইনপি মণিপুরনা হৌখিবা চহী ২০২৩ দগী থোক্লকখিবা ইরাং অসিনা মরম ওইরগা চীং অমদি বোর্দর এরিয়াদা খুন্দারিবা কুকি জো কম্যুনিটিশিংনা তোঙান তোঙানবা মখলগী ওৎপা নৈবা, বন্দ, ব্লোকেদ অমদি তোঙান্না ইন্থোকপীদুনা থম্বগী অৱাবা অমদি খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লন্দুনা লাক্লি। লোয়ননা মমাং চহী ২০২৫ দা গম্পাল অমদি হায়জাং ভিল্লেজ অমসুং উখ্রুলগী লিটান-সারৈখোংদা থোকখিবা থৌদোক অদুগী মতুংদা কুকি জো কম্যুনিটিশিংগী মথক্তা লেপ্পা লৈতনা এটেক কয়া চথরক্লি। লোয়ননা য়ূম মৈ থাদোকপিবা অমদি এটেক চথরত্নুনা কুকি জো কম্যুনিটিশিংগী মথক্তা ভাইওলেন্স কয়াসু চথবিরক্লে হায়বনচিংবা ৱাফম কয়াসু কাউন্টর মেমোরেন্দম অদুদা য়াওরি হায়রি।

লোয়ননা নাগা এম এল এশিংনা দেপ্যুটি সি এম নেমচা কিপগেদা শীরিবা মরালশিং অমদি কুকি খূৎলায় পায়বশিংগা তৌনরিবা সু এগ্রিমেন্ট লৌথোক্কদবনি হায়না দিমান্দ তৌরিবা অদুসু য়াবা ঙম্লোই। মণিপুরগী ষ্টেট এদমিনেষ্ট্রেসনগী মখাদা মতম শাংনা কুকি জো কম্যুনিটিশিংনা লৈবা ঙম্লোই। মরম অদুনা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা কুকি জো কম্যুনিটিশিংগী মশাগী লেজি সলেচর লৈজবা য়ুনিয়ন টেরিটোরি অমা ওইনা থম্বিনবগী থবক য়াঙশিনবিরো। মদুনা কুকি জো কম্যুনিটিশিং সেক্যুরিটি, দিগনিটি অমদি সেল্ফ গভর্ণান্স লৈদুনা ঈংনা-চিক্লা লৈবা ঙমগনি হায়বনচিংবা দিমান্দ কয়াসু কাউন্টর মেমোরেন্দম অদুগী মনুংচন্না কে আই এমনা তৌখি হায়রি।

## ১৬শুবা ফাইনান্স কম্মিসনগী শেনফম...

*লমায় ১গী মখা...* অসিগী এ দি সি অমদি পঞ্চায়টকী পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌবা লৈরুরবনি। অদুবু ৩শুবা টায়র সিষ্টেমগী মোদেলগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টকী লৈখিবা রুলিংগী মতুং ইন্না চথগদবা দিলিমিটেসন এক্সরসাইজনা মরম ওইরগা লোকেল বোদিগী মীফম পাঙথোকপগী মতম য়ৈথোরকখিবনি। অদুবু অথুবা মতমদা মীখল অসি পাঙথোক্লবা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী চপ চাবা থৌদাং লৌদুনা হোৎনরগনি। ১৬শুবা ফাইনান্স কম্মিসনগীদমক মণিপুরগী ওইনা কায়থরকপা শেনফম অমত্তা মাঙদনবা মরী লৈনবা ওথোরিটিদা চেরোল থাদুনা তকশিনবগা লোয়ননা লৈঙাক অমগী চপ চাবা থৌদাং অদু লৌগনি হায়খি।

কোলিং এটেন্সনগী মতম অদুদা ওপোজিসন এম এল এ কে মেঘচন্দ্রনা লোকেল বোদিগী মীখল মতম চানা পাঙথোক্তবনা ১৫শুবা ফাইনান্স কম্মিসনগীদমক মণিপুর মীয়ামগী কায়থরকপা লুপা ক্রোর ৬২৪ রোমগী শেনফম লেন্না মাঙহনখ্রে। কনাগী মতমদা মীয়ামগী শেনফম মাঙহনখিবনো হায়বসি পুৱারীদা ইদুনা লৈহৌরগনি। লৈবাক মীয়ামগী কায়থরকপা শেনফম মাঙহনগদৌবা ওইরবদি করিগী এম এল এ ওইনা লৈগদৌরিবনো? মীয়ামগী কান্ননবা কায়থরকপা শেনফম অদু লৌবা ঙম্লোইদবা ওইরবদি লৈঙাক্লা এদমিনিষ্ট্রেটিভ কম্মিটি শেমদুনা থমলিবা অসিগী ৱাহন্থোক লৈতে। মীখল পাঙথোক্তনা লৈবনা হৌজিক অমুক ১৬শুবা ফাইনান্স কম্মিসনদা মণিপুরগীদমক লুপা ক্রোর ১২৬২ রোমগী শেনফম মাঙবা য়ারোই। মসিগী থৌদাং কনানা লৌগদগে হায়বা ৱাহংশিং হাউসতা হংখি।

অমরোমদা, ঙসি চথখিবা মীফম অদুগী কোলিং এটেন্সন মতমদা ওপোজিসন মেম্বর ও সুর্জকুমারনসু লৈঙাক্কী লৈরিবা অনা লায়েংশঙশিংদি লন্নাইগী ওন্থোক্লোইসি হায়বা ৱাফম থল্লদুনা ষ্টেট অসিগী লৈরিবা লৈঙাক্কী হোস্পিটালশিংদা অনা লায়েংগী মথৌ তাবা পোৎলমশিং অৱাৎ অপানা পীক থন্দুনা ইনফ্রাষ্ট্রকচরগী ফিভম কয়া শোকচিন্না লৈরিবা অসিগী মতাংদা কোলিং এটেন্সন মোসন অমসু হংখি।

মোসন অদুগী পাউখুম পীরদুনা চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচান্দনা হায়, মণিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসিনা মরম ওইরগা মেনপাৱর ৱাৎপা খক্তা নত্তনা অনা লায়েংগী লমদা খূদোংচাদবা কয়া মায়োক্লহনবা লৈরি। অদুবু লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু লমদম অসিগী হেল্ঠ সেক্টর অসি চাউখৎহন্নবা হায়দুনা তোঙান তোঙানবা খোঙথাং কয়া পায়খৎপা লৈরি। মসিগী মনুং চন্না লম্ফেলপাৎতা সিটি মেন্টেল হোস্পিটাল শেমগৎ শাগৎপা য়াওনা লুৱাংশঙবমদা ফমুং ৬০ লৈবা মেন্টেলি চাইল্দ হোস্পিটাল শেমগৎপগী থবক থৌরম পায়খৎলি। হেল্ঠ সেক্টর অসিদা ইম্প্রুভমেন্ট লৈবা মফম কয়া অমসু য়াওরি। ওপোজিসন মেম্বরনা থল্লকখিবা অৱাৎ অপা কয়া লৈরিবশিংগী মতাং অদুসু লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মীৎয়েং চঙলগনি হায়খি।

## মণিপুরগী ইরাংদা মীওই ৩০৬...

*লমায় ১গী মখা...* পুখৎলকখিবা ষ্টার ক্বেসন নম্বর ৩৩৭গী পাউখুম পীরদুনা ৱাফম অসি হোম মিনিষ্টরনা ফোংদোকখিবনি।

ঙসি চথখিবা এসেমব্লি মীফম অদুদা গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা হায়, মণিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসিগী চৈথেং ফংদুনা মীওই ৩০৬কী থৱায় মাঙখ্রে। অদুগা মীওই ৪৯না হৌজিক ফাওবা মফম খঙদনা লৈরি। লোয়ননা হান্না মমাঙদা মফম খঙদনা মাঙখ্রে হায়না রিপোর্ট তৌরকখিবা মীওই ৩৪দি থৱায় মাঙখ্রে হায়বা খঙবা ঙম্লে।

রুলিং এম এল এ ডা. সাপম রঞ্জননা ষ্টার ক্বেইসন ওইনা পুখত্নুনা ইরাং অসিদা থৱায় মাঙখ্রবা অমদি মফম খঙদনা লৈরিবা মীওইশিংগীদমক এক্স গ্রেসিয়া, কম্পেন্সেসন অমদি রিহেবিলিটেসন য়াওনা লৈঙাক্লা করি মথৌ তাবা থৌশিল পায়খৎলবগে হায়না হংলকখিবা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা হোম মিনিষ্টর গোবিন্দাসনা হায়, ইরাং অসিদা লৈখিদ্রে হায়বা কনফার্ম ওইরবা মীওইশিংগী ওইনা মথৌ তাবা মতেং পীনবা সি এস এ সি ভি সেন্ট্রেল স্কিমগী মখাদা অমদি ষ্টেট লৈঙাক্কী এক্স গ্রেসিয়া স্কিমগী মখাদা থৌরাং লৈ। লোয়ননা মফম খঙদনা মাঙখ্রবা মীওইশিংগী ওইনসু রিলিফ এসিষ্টেন্স পীনবা খন্নবা লৈরি। ইন্দিয়া লৈঙাক্কী ওইনা মিসিং পার্সনশিংগী মতাংদা খূদোংচাবশিং পীনবগী লৈরিবা কাঙলোন অদু থৈদোক থৈজিন খরা তৌরগা অখন্নমা মণিপুরগী ইরাং অসিদা মফম খঙদনা মাঙখ্রবা মীওইশিংগী অৱাবা তাহৌরবা ইমুংশিংদা চপ চাবা মতেং অদু পীনবা থা অসিগী মনুংদা কেবিনেটতা পুথোক্তুনা খন্ননবা শেম শাবসু লোয়রে হায়বা ৱাফম থমখি।

## ওকশাগী মমল থুগায়রক্লিবসি ...

*লমায় ১গী মখা...* মথক্তা মণিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসিনা মরম ওইরগা ওক লোয়বা লৌমীশিংদা অৱাৎ অপা কয়াগী খূদোংচাদবা চৈথেং ফংহনবদা নত্তনা হীরম কয়াদা অৱাবা মায়োক্লরি। অসিগুম্বা তাল্লক অসিদা অনওর্গনাইজে ওইনা শা ককপা মীওইশিংনা মার্কেটকী ওকশা মমল থুগায়রত্নুনা চৈথেং কয়া ফংহল্লে। মসিদা নত্তনা বাইওসেক্যুরিটি মেন্টেন তৌদনা শা ককপশিং অসিনা অফ্রিকান স্বাইন ফিভর হেন্না শন্দোক্তুনা লমদম অসিগী মীয়ামদা খূদোংচাদবা মায়োক্লহন্নবগী মচাক অমা ওইরক্লি। মরম অদুনা মী লৈনবা ওথোরিটিনা হীরম অসিগী মতাংদা কূপ্পা মীৎয়েং চঙদুনা ওক লোয়রিবা লৌমীশিংনা থেংনরিবা অৱাবা অসি কোক্লবা থৌশিল অমা মতম চানা পায়খৎপীয়ু হায়খি।

## লোগী ৱাংমদা লম্বী থিংবশিং...

*লমায় ১গী মখা...* তাংখৎহন্দুনা খুদোংচাদবা কয়া পীরি। মদুদসু নত্তনা ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসননা পীবা রাইট টু ফ্রিদম ওফ মুভমেন্টনবু ভাইওলেট তৌই। মসি পুম্নমক অসি য়েংলগা মরী লৈনবা দিপ্যুটি কম্মিস্নর, পুলিস অমসুং লো ইনফোর্সমেন্ট এজেন্সিশিংনা অসিগুম্বা লোগী ৱাংমগী থবক তৌরিবা খুদিংমক্তা অকন্নবা এক্সন লৌখৎলু অদুগা হায়রিবা থৌদোকশিং অসিদা চেন্নরল্লিবা খুদিংমক্কী মথক্তা লিগেলগী ওইবা এক্সন লৌখৎলু হায়না ওর্দর অদুনা খঙহনখি।

## টাটা কন্সল্টেন্সি সর্ভিসেসনা ...

*লমায় ১গী মখা...* রুরেল আই ক্যুইজগা লোয়ননা ওনলাইন টেষ্ট, ভর্চুএল ক্যুইজ রাউন্দ অমদি কম্পিটিসন কয়াসু পাঙথোক্কনি। ক্যুইজ কম্পিটিসন অসিদা ক্লাস ৮ দগীনা ১২ ফাওবগী মহৈরোয়শিং ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী শরুক য়াগনি। অদুবু ক্যুইজ কম্পিটিসন অসিদা সিটি কোরপোরেসনগী মনুংচন্না লৈবা স্কুলশিংদি শরুক য়ারোই।

লিমকা বুক ওফ রেকোর্দসকী মনুংচন্না খুঙ্গংগী মহৈরোয়শিংগীদমক ইন্দিয়াগী অহানবা আই টি ক্যুইজগী মওংদা রেকোগনাইজ তৌরবা টি সি এস রুরেল আই টি ক্যুজ অসি লাইরিক তন্নিবা মহৈরোয়শিংগী মরক্তা টেক্নোলোজি অমদি ইনোভেসনগী মতাংদা এৱার্নেস পিনবগীদমক দিজাইন তৌবনি। কম্পিসিটসন অসিগী মনুংচন্না রিজনেল ফাইনেল ৮ থোক্লা লৈগনি। মসিদা মায়পাক্লক্লবা মহৈরোয়শিং চহী অসিগী নবেম্বর থাদা বেঙ্গলুরুদা পাঙথোক্কদবা নেসনেল ফাইনেলদা শরুক য়াগনি। কম্পিটিসন অসিদা মায়পাক্লবা রিজনেল ৱিনরশিং অমদি রনর্স অপ তারবশিংদা গিফ্ট বাউচর ওইনা লুপা লিশিং ১০ দগীনা লুপা লিশিং ৭ কী মনা পীগনি। অদুগা নেসনেল ৱিনরশিং অমদি রনর্স অপ তারবশিংনা টি সি এস এজ্যুকেসন স্কোলারসিপ ওইনা লুপা লাক্ষ অমা অমদি লুপা লিশিং ৫০ ফংগনি। কম্পিটিসন অসিদা শরুক য়ানিংবশিংনা https://iur.ls/TCSRIT/Quiz2026 লিঙ্কতা চঙদুনা সেপ্তেম্বর ৩০ ফাওবগী মনুংদা রেজিষ্টার তৌবা য়াগনি হায়রি।

## জন্মআষ্ঠমীগী য়াইফ পাউজেল ...

*লমায় ১গী মখা...* মচিন মনাও ওইবগী মরী অদু খুন্দামিন্নরিবা খূদিংমক্তা শন্দোকখিবা ওইরসনু হায়না ফোংদোরক্লি।

নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা চীফ মিনিষ্টর ৱাই খেমচান্দনা হায় কৃষ্ণনা ভগবত গীতাদা তাক্লম্বা কয়া অদুনা মীওইবা অমনা হিংবদা ইশাগী ওইজবা থিদনা ঈশ্বরবু থাজবনা পূন্সিদা থেংনরকপা চেলেঞ্জ কয়া মায় পাক্লা থেংনবা ঙম্মী হায়না তাক্লম্মী। নুমিৎ অসিনা লাকপদা মণিপুরদা তংদু লৈতাবা, নুংঙাই য়াইফবা অমসুং ইমুং খূদিংমক্তা আশাগী মঙাল অমা পীদুনা হেন্না চাউখৎপা অমসুং নুংঙাই য়াইফবা পূন্সি অমা লাকপা ওইরসনু হায়না ফোংদোরক্লি।

নুমিৎ অসিনা লাকপদা দিপুটি চীফ মিনিষ্টর লোসি দিখো, হোম মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজম, থাঙ্গ এ সিগী এম এল এ তোংব্রম রোবিন্দ্রোনচিংবা মীহুৎ কয়াসু জন্মআষ্ঠমীগা মরী লৈননা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

## লো এন্দ ওর্দর লৈহন্নবা হোৎনবা...

*লমায় ১গী মখা...* পাঙথোকখিবা নীনি চনবা এসেমব্লি সেসনগী সোর্ট দ্যুরেসন দিস্কসনদা চীফ মিনিষ্টরগী পূক্নিং চিংশিল্লদুনা এম এল এ লোকেশ্বরনা মখা তানা হায়খি, আই দি পি কয়া মশাগী ময়ূমদা হঞ্জিলহনখ্রবসু মপুং ফানা হঞ্জিলহনবা হায়বদুদি ঙমদ্রি। ময়ূমদা হঞ্জিনখ্রবা অমদি রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা আই দি পিশিং হৌজিকসু অৱাবা কয়া মায়োক্লরি। রিলিফ কেম্পতা লৈরিবশিং মখোয়গী পূন্সিগী খনবদা ৱাখল লায়নানা নাবা য়াওরে। মশা মথন্তা শিজবা কয়া য়াওখ্রবনি। আই দি পিশিং মশাগী য়ূমদা করন্না মপুং ফানা হঞ্জিলহনবা ঙমগদগে হায়বগী মতাংদা খন্নবা মথৌ তাই। মসিবু থবক ওইনা ওন্থোক্লবা হোৎনবদা মীয়াম অমদি লো এন্দ ওর্দর ঙাকপগী থৌদাং লৌরিবশিংদা আই দি পিশিংদা লৈরিবা অকি অখং লৈতনবা হোৎনবা চঙই। আই দি পিশিংগীদমক য়ূম শানবা পীরিবা শেনফম ফংবসু য়াওনরে অদুগা ফংদবসু য়াওনরি। মরম অদুনা মশাগী য়ূমদা হঞ্জিলবা ঙমদনা লৈরিবা আই দি পিশিংসু মখোয়গী ফংফম থোকপা চাকথুংশিং অদু চপ চানা ফংহনবীয়ু হায়নসু ফোংদোকখি।

## এসেমব্লিগী ৱারেপ থবক্তা ...

*লমায় ১গী মখা...*ওন্থোরক্ত্রবদি মীয়ামগা লোয়ননা খোঙজং লাক্লোই হায়নিঙাই লৈতে হায়না ১৪ সি এস ও কংলৈপাক্কী কনভেনর শান্তা নহাকপমনা ফোংদোকখ্রে। ৱাফম অসি ঙসি খুয়াথোংদা লৈবা কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস সোসিয়েসন (কে এস এ)গী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা মহাক্লা ফোংদোকখিবনি।

কোম য়ুনিয়ন মণিপুর, অম্মোকোক, কে এস এ য়াওনা পাঙথোকখিবাপাউগী মীফম অদুদা শান্তা নহাকপন্না হায়, ঙরাং এসেমব্লিদা এন আর সি রিএফার্ম তৌনবা লৌখিবা ৱারেপ অদুমক ১৪ সি এস ওনা মতম কয়াগী মমাঙদগী হৌনা মরী লৈনবা চে-চাং কয়া তাশিন খোমজিন্দুনা হোৎনরকখিবা পাউগী মীফম অদুদা শান্তা নহাকপমনা হায়, ঙরাং এসেমব্লিদা এন আর সি রিএফার্ম তৌনবা লৌখিবা ৱারেপ অদুমক ১৪ সি এস ওনা মতম কয়াগী মমাঙদগী হৌনা মরী লৈনবা চে-চাং কয়া তাশিন খামজিন্দুনা হোৎনরকখিবা কয়াগী মহয়নি হায়না লৌই। অদুম ওইনমক ঙসি লূপ অসিনা লোগা মরী লৈনবা লম্বীদা চঙশিল্লিবা খোঙথাং অসিদা লৈঙাক্লা এন আর সি অপদেট তৌনবা লৌরক্লিবা ৱারেপ অসি থবক্তা ওন্থোক্তবা থোক্লবদি মীয়ামগা লোয়ননা খোঙজং কয়া চঙশিল্লক্লোই হায়নিঙাই লৈতে। মসিদা নত্তনা ঙরাং পাঙথোকখিবা এসেমব্লি সেসন অদুদা তামৈ এসেমব্লি কন্সটিটুয়েন্সিগী এম এল এ অৱাংবৌ ন্যুমাইনা ফোংদোকখিবা ৱাফম কন্দেম তৌই এম এল এ অমা ওইনা মহাক্লা লৈরিবা অসি অপিকপা কম্যুনিটি খূদিংমক্কীসু মহুৎ শীন্দুনা লৈরিবনি হায়বসি নীংশিংফণ থোকই। মীয়াম্না মরু ওইনা নৈনগদবা মাঙদা তাদুনা লৈরিবা ৱাফমদি অপদেট তৌগদৌরিবা এন আর সি বেজ ইয়ার সি কমদৌনা কুমজা ১৯৫১ ওইহনগনি হায়বসি মুন্না খন্নফম থোকই হায়বসিনি হায়খি।

# চহী ৫ অসিদা ইন্দিয়া অমদি বেলজিয়মগী মরক্তা লৈরিবা বাইলেটরেল ট্রেদ ১০০দা চান্মা হেনগৎনবা পান্দম থল্লি



ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ০৩ (এজেন্সি): লাক্লিবা চহী ৫ অসিদা ইন্দিয়া অমদি বেলজিয়মগী মরক্তা লৈরিবা বাইলেটরেল ট্রেদ অসি হান্নদগী চামদা ১০০ হেনগৎহন্দুনা ইকোনোমিক, দিফেন্স, ক্লিন ইনর্জি অমদি টেক্নোলোজি কোওপরেসন হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা পান্দম থল্লি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ফোঙদোকখ্রে।

ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্রা মোদি অমদি বেলিজয়মগী প্রাইম মিনিষ্টর উন্নরবা মতুং লৈবাক অনিগী লুচিংবা অনিনা উন্নখিবা অদুগী মতাংদা জোইন্ট ষ্টেটমেন্ট থোক্তুনা ৱাফম অসি খঙহল্লকখিবনি।

লৈবাক অনিগী মায়কৈদগী থোকপা জোইন্ট ষ্টেটমেন্ট অদুগী মতুং ইন্না উন্নবা অদুদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ইন্দিয়া অমদি য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়ন ফ্রী ট্রেদ এগ্রীমেন্ট য়ান্নখ্রবা মতুং চহী অসিদা ইন্দিয়াগী ওইনা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংগা ইকোনোমিগী ওইবা মরী থন্নবগী অনৌবা লম্বী কয়া হাংদুনা থমব্রগী খুদোঙচাবা কয়া পীরি।

মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী চাওবা অমদি মপাঙ্গল কনবা দেমোক্রেটিক কন্ট্রি অমা ওইরিবা ইন্দিয়া অমদি বেলজিয়মনা হান্নদগী লৈরিবা বাইলেটরেল ট্রেদগী মরী অসি অমুক্কা হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্দুনা ষ্টেবিলিটি, গ্রোথ অমদি প্রোসপরিটিদা মায় পাক্লা চংশিনবা ঙল্লগনি

বেলজিয়মগী লৈরিবা তোঙান তোঙানবা কম্পেনিকয়া ইন্দিয়াদা নৌনা ইনভেষ্টমেন্ট ফাষ্টট্রেক মেকানিজম হাংদোক্তুনা ইকোনোমিগী ওইবা হেন্না চাওনা কান্নবা ফংবগী খুদোঙচাবা কয়াসু লৈরগনি। প্রাইম মিনিষ্টর ডি ৱেবরগা উন্নদুনা ৱারী শান্নবদা ইন্দিয়া–বেলজিয়ম ব্যুজিনেস ফোরম অসি তাঙ্কক–তাঙ্কক্কী ওনা পাঙথোক্লবা ৱারেপ লৌরে।

লৈবাক অনিগী মরক্তা লৈরিবা ফাইনান্সিয়েল, ফিন্দটেক অমদি রিগুলেটরি ইনষ্টিট্যুসন কয়া মপাঙ্গল কনখৎহন্নবগীদমক অখন্নবা খোঙথাং কয়া পায়খৎনবগী ৱারেপ লৌদুনা লাক্লিবা চহী ৫ অসিদা ইন্দিয়া অমদি বেলজিয়মগী মরক্তা লৈরিবা বাইলেটরেল ট্রেদ অসি চামদা ১০০ হেনগৎহন্নবগী পান্দম থল্লি হায়নসু ফোঙদোকখি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা দিফেন্স অমদি সেক্যুরিটি কো–ওপরেসনগী মরী অসিনা ইন্দিয়া অমদি বেলজিয়মগী মরক্তা লৈরিবা বাইলেটরেল ট্রেদ অসিগী খ্বাইদগী মরুওইবা য়ূম্বী অমনি। লৈবাক অনিগী মরক্তা দিফেন্সকী মপাঙ্গল কনখৎহন্নবগীদমক মথৌতাবা মিলিটরি এক্সচেঞ্জ অমদি ট্রেনিং কোওপরেসন পীবগী মতাংদসু য়ান্নবা কয়া লৈরে।

লৈবাক অনিদা থোক্লিবা তোঙান তোঙানবা ক্রাইম কয়াবু ইন্দিয়া অমদি বেলজিয়মগী লৈরিবা ইনভেষ্টিগেটিব এজেন্সিশিংনা অমগা অমগা মতেং পাংনদুনা মায় পাক্লা ক্রাইম ইনভেষ্টিগেসন চত্থনবগী খোঙথাংসু পায়খৎলগনি।

ক্লিন ইনর্জিগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হায়, ইন্দিয়া অমদি বেলজিয়মগী মরক্তা রিন্যুয়েল ইনর্জিগা মরী লৈনবা এম ও য়ু খূৎয়েক পীনদুনা ক্রিটিকেল মিনরেল প্রোসেসিং অমদি রিসক্লিং তৌবগী থবক অমত্তা ওইনা মায় পাক্লা চংমিন্নবসু ঙল্লগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

পনবা য়াবদি চহী অসিগী ফেব্রুৱারি ২৫দা বেলজিয়মগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখিবা দি ৱেবরনা নুমিৎ হুন্নিগী খোঙচৎতা অহানবা ওইনা ন্যু দিল্লিদা থুংখিবা অদুগী খুদোঙচাবা লৌদুনা লৈবাক অনিগী লুচিংবা অনিনা উন্নখ্রবা মতুং ৱাফম অসি জোইন্ট ষ্টেটমেন্ট ওইনা থাদোরকখিবনি।

# ইন্দিয়া–ইরানগী ট্রেদ দিল য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা সেঙ্কসন কয়া থমগনি হায়না য়ু এসনা ৱার্নিং তৌরক্লি

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ০৩ (এজেন্সি): ইন্দিয়া অমদি ইরানগী মরক্তা নৌনা ট্রেদ এগ্রীমেন্ট অমা খূৎয়েক পীনরবা য়াই হায়না রিপোর্ট তৌরক্লিবা অসিবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা য়ু এস অমদি সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট মার্কো রুবিওনা টেহরানগী মথক্তা থল্লিবা সেঙ্কসন অসি থুগাইদুনা কনাগুম্বা লৈবাক অমত্তনা টেহরাননা ট্রেদ দিল অমা খূৎয়েক পীননবা হোৎনরক্লবদি হায়রিবা লৈবাক অদুগী মথক্তা অকনবা সেঙ্কসন কয়া থমগনি হায়না চেকশিন ৱা থল্লিক্লি।

য়ু এসকী মমিং লৈরবা ন্যুজ এজেন্সি অমনা লৌবা অখন্নবা ইন্টরভ্যু অমদা য়ু এস সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট মার্কো রুবিওনা হায়, ইন্দিয়া অমদি ইরানগী মরক্তা নৌনা লল্লোন ইতিক্কী ওইবা এগ্রীমেন্ট অমা খূৎয়েক পীনগনি হায়বগী থাজবা লৈতে।

মালেম অসিদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংনা ইরানগা খেন্নবা মখলগী ফোরেন পোলিসি থমদুনা দিপ্লোমেটিক্কী ওইবা মরী থম্বা য়াবগী রাইট লৈ। য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী মায়কৈদগীসু ইরানগী লৈরিবা ওফিসিয়েলশিংগা ঙাইহাক লৈতনা খন্ন–নৈনবগী খোঙথাং কয়া পায়খৎতবা নৎতে।

তোঙান–তোঙানবা লৈবাকশিংনা মশাগী ওইবা ফোরেন পোলিসি চৎনদুনা ইরানগী লৈরিবা লৈঙাক্কা ৱারী শান্নবগী থৌওং কয়া লৈবাক খুদিংমক্কা তান্ন–উন্নরিবনি। অদুবু য়ু এসকী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা ইরানগী রিভিন্যু জেনরেট তৌবা য়াবা লল্লোন ইতিক্কী ওইবা মরী তোঙান–তোঙানবা লৈবাকশিংনা থম্বদা পীরিবা অথিংবা অসিগী মায়োক্তা লৈবাক অমত্তনা ইরানগা লল্লোন ইতিক্কী ওইবা এগ্রীমেন্ট খূৎয়েক পীননবগী খোঙথাং লৌখৎলক্লবদি য়ু এসকী মায়কৈদগী মথৌতাবা এক্সন লৌখৎলকপা য়াই।

রিভিন্যু জেনরেট তৌদুনা টেরোরিজম স্পোন্সর তৌবগী মথক্তা ন্যুক্লিয়ার ৱেপন শানবা ইরানদা লল্লোন ইতিক্কী ওইবা এগ্রীমেন্ট অমত্তা মালেমগী লৈবাক অমত্তনা খূৎয়েক পীনদনবা হোৎনগদবনি। করিগুম্বা য়ু এসনা থল্লীবা অথিবা অসি থুগাইদুনা কনাগুম্বা লৈবাক অমত্তনা ইরানগা ট্রেদ এগ্রীমেন্ট খূৎয়েক পীনরবদি হায়রিবা লৈবাকশিং অদুগী মথক্তসু য়ু এসনা চপ মান্নবা মখলগী অথিংবা থমগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

রুবিওনা মখা তারদুনা ফোঙদোকখিবদা ইরানবু ন্যুক্লিয়ার ৱেপনগী মপাঙ্গল লৈহন্দবা হায়বসি দোনাল্ড ট্রম্পনা লুচিংবা য়ু এস লৈঙাক্কী লেংদ্রবা ফিরেপ অমনি।

দোনাল্ড ট্রম্পনা য়ু এসকী প্রসিদেন্ট ওইরিবা মখে ইরানবু কৈদৌঙেদা ন্যুক্লিয়ার পৱার পায়বা কন্ট্রি ওইহল্লোই হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

য়ু এসকী মায়কৈদগী ইরানদা মিলিটরি এক্সন লৌখৎপগী মথক্তা ইকোনোমিগী ওইবা প্রেসর মখা তানা পীখিগনি হায়নসু মহাক্না মখা তারক্লি।






# য়ূম নিংখায়বদা মমা–মচা লৈখিদ্রে, অহুমনা অশোক অপন নংখ্রে

গ্বালিয়র, সেপ্টেম্বর ০৩ (এজেন্সি): নোং লেপ্পা লৈতনা কন্না চুবদগী থোকপা য়ূম নিংখায়বগী থৌদোক্তা পীল্লিবা চহী ২গী অঙাং য়াওনা অপোকপী মমা লৈখিদ্রে, অদুগা ইমুং অদুগী মীওই ৩না অশোক অপন নংখ্রে হায়না মধ্য প্রদেশ পুলিসনা ফোঙদোরক্লি।

মধ্যা প্রদেশ পুলিসকী মতুং ইন্না থৌদোক অদু ঙসি অয়ুক্কী অঙনবা মতমদা গ্বালিয়র দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা দব্রা টাউনগী জঙ্গিপুরা এরিয়াদা থোকখিবনি। নোং লেপ্পা লৈতনা কন্না চুবদগী মথোল ২ ৱাংবা য়ূম নিংখায়বগী থৌদোক অদুদা ইমুং অদুগী মীওই ৫ ননশিনখি। য়ূম নিংখায়বগী পাউ ফংবগা খুদক্তা পুলিস অমদি এদমিনিষ্ট্রেসন ওফিসিয়েলশিংনা মফম অদুদা চংশিন্দুনা রেস্ক্যু ওপরেসনগী থবক চত্থখি। রেস্ক্যু ওপরেসন অদুদা অশোক অপন নংলবা ইমুং অদুগী মীওই ৫ অদু রেস্ক্যু তৌবগা লোয়ননা মনাক নকপা হোস্পিটালদা মথৌ তাবা অনা লায়েংগীদমক পুখৎখি। অদুবু পীল্লিবা চহী ২গী অঙাং য়াওনা অপোকপী মমা অদু অশোকপনা মরম ওইরগা লায়কন্নবা ঙমদনা লৈখিদ্রে। লেমহৌরিবা ইমুং অদুগী মীওই ৩ মখা তানা লায়েংবগী থবক চত্থরি হায়না ফোঙদোরক্লি।

## Crossword # 1134



Across
1. Menu item
5. Sicilian volcano
9. Last alternative?
14. Popular fish
15. MGM sound effect
16. An ice place to live
17. Culture medium
18. Sour or bitter in taste
20. Disparages
22. What the rich live in?
23. Blue triangle grp.
24. Start of a kindergarten song
27. "So what ___ is new?"
30. Like a famous dodger
32. Realize
35. "... Rich and Famous" host
38. Word with high pressure
39. Disparages
43. Part of NASCAR
44. It may connect a limb to a branch
45. Trunk contents, perhaps
46. Batter or battered
49. Pod pieces
51. Cunning
52. Chesterfield, e.g.
55. Beverage since 1898
59. Disparages
62. Range of skills in a particular occupation
65. Inveigh
66. Mindful
67. Scent
68. A lot, for many?
69. Dissuade
70. Rive
71. Examination

Down
1. ERA and RBI, say
2. Should (with "to")
3. Having only one component
4. Conditional release
5. Significant periods
6. Eighty-six
7. Well-groomed
8. Directional sign
9. Kind of equation
10. ___ Benedict
11. Steak partner
12. Trinity member
13. Nursery moppet
19. Andean of old
21. Partner of Fargo
24. Big hairstyles
25. Vista or Park
26. Brooch part
28. Red or Black waterway
29. Manhattan border river
31. Chi lead-in
32. Remnants of healing
33. Artist's stand
34. "How I Spent My Summer Vacation," maybe
36. Figure head?
37. Household staff
40. It does blowups
41. Caviar
42. Loses one's cool
47. Hardhearted lender
48. Larboard
50. Pointillist painter Georges
53. Elevator stop
54. Stage whisper
56. Locale
57. Mixes
58. Key
59. In this case
60. Golf club
61. Overly bookish type, stereotypically
62. Swell, '90s-style
63. Certain bleater
64. Frisk (with "down")

পাউখুম লমায় ৭দা ...

# লো তল্লিবা মহৈরোইশিংগী মথক্তা এক্সন লৌখৎপা ঙম্বা ওথোরিটি লৈতে: সুপ্রিম কোর্ট



ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ০৩ (এজেন্সি): লো তল্লিবা মহৈরোইশিংগী মথক্তা এক্সন লৌখৎপা ঙম্বা ওথোরিটি অমত্তা লৈতে। মরম অদুনা নালসার লো য়ুনিভর্সিটিদা মহৈ তল্লিবা মহৈরোইশিংগী মথক্তা বার কাউন্সিল ওফ ইন্দিয়ানা এক্সন লৌখৎপা য়ারোই হায়না সুপ্রিম কোর্টনা ফোঙদোকখ্রে।

বার কাউন্সিল ওফ ইন্দিয়া অমদি নালসার লো য়ুনিভর্সিটিগী মরক্তা থোক্লিবা ৱাথোক অসিগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টতা চত্থখিবা হিয়ারিং অমদা লো তল্লিবা মহৈরোইশিংদা দিসিপ্লিনরি এক্সন লৌখৎপা য়াবগী রাইট বার কাউন্সিল ওফ ইন্দিয়া (বি সি আই) অমদি ষ্টেট বার কাউন্সিলদা লৈতে হায়নসু ফোঙদোকখ্রে।

সুপ্রিম কোর্টকী চীফ জষ্টিস ওফ ইন্দিয়া (সি জে আই) সুরিয়াকান্ত, জষ্টিস জোয়মালিয়া বাক্সি অমদি জষ্টিস ভি মোহনাগী বেঞ্চ অমনা লো তল্লিবা মহৈরোইশিংগী মথক্তা দিসিপ্লিনরি এক্সন লৌখৎপা হায়বা অসি মরীলৈনবা ইজুকেসনেল ইনষ্টিট্যুসন অদুখক্তনা রুলসকী মতুং ইন্না দিসিপ্লিনরি এক্সন লৌখৎকদবনি।

বার কাউন্সিল ওফ ইন্দিয়ানা লো গ্রেজুয়েট পাস তৌদুনা এনরোল তৌরবা এদভোকেটশিং খক্তদা দিসিপ্লিনরি এক্সন লৌখৎকদবনি হায়না ফোঙদোকখি।

নালসার লো য়ুনিভর্সিটিদা মহৈরোইশিংনা এনরোলমেন্দ তৌবগী থবক লেপ্পবা বি সি আইগী চিয়ারমেন মননকুমার মিশ্রনা হৌখিবা ওগষ্ট ১৩দা দিরেক্টিব পীখ্রবা মতুং পুং ১গী মনুংদা অমুক হন্না বি সি আইনা দিরেক্টিব অদু হন্দোকখিবগী থৌওং অদুগী মতাংদা নালসার য়ুনিভসিটিগী এলমনাই মিহিরাসুদ অমদি অভিশেক টিৱারিনা সুপ্রিম কোর্টতা ৱাকৎলকখিবনি।

পিটিসনরগী মায়কৈদা লেপখিবা সেনিয়ার এদভোকেট কে পরমৱেশ্বরনা সুপ্রিম কোর্টতা নালসার য়ুনিভর্সিটিদা মহৈরোইশিংনা এনরোলমেন্ট তৌবগী মতাংদা বি সি আইনা পীখিবা দিরেক্টিব অদু হন্দোকখ্রবসু করম্বা ওথোরিটি অমদি লিগেল প্রোভিজনগী মখাদা বি সি আই চিয়ারমেন মননকুমার মিশ্রনা দিরেক্টিব ইসু তৌখিবনো হায়বা অদু একজামিন তৌবা মথৌ তাই হায়না ফোঙদোকখি।

মননকুমার মিশ্রনা বি সি আইগী মায়কৈদগী থোকখিবা নোটিফিকেসন অদু মীফম পাঙথোক্লবা মতুং খুদক্তা হন্দোকখি হায়না সুপ্রিম কোর্টতা থমখি। মায়কৈ অনিগী ৱারোল তারবা মতুং সুপ্রিম কোর্টনা লো তল্লিবা মহৈরোইশিংদা দিসিপ্লিনরি এক্সন লৌখৎপা য়াবগী বি সি আইদা রাইট লৈতে হায়না দিরেক্টিব পীখিবনি।

# এস আই আরগী মতুং নৌনা ফোঙবা ইলেক্টোরেল রোলদা এম পি রাঘবকী মিং য়াওরকখিদ্রে



চান্দিগড়, সেপ্টেম্বর ০৩ (এজেন্সি): ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ই সি আই)না স্পিসিয়েল ইন্টেন্সিব রিভিজন (এস আই আর) পোঙথোক্লবা মতুং পঞ্জাবকী ওইনা ফোঙবা অনৌবা ইলেক্টোরেল রোলদা হৌজিক হৌজিক রাজ্য সভাগী বি জে পিগী এম পি ওইরিবা রাঘব চাধাগী মিং য়াওরকখিদ্রে।

এস আই আর পাঙথোক্তুনা নৌনা দ্রাফ তৌখিবা ইলেক্টোরেল রোলদা মিং য়াওরকখিদ্রবা এম পি রাঘব চাধানা মহাক্কী মিংবু ইলেক্টোরেল রোলদগী লৌথোকখিবা অসিবু ভগৱান মন্ননা লুচিংবা এ এ পিগী লৈঙাক অসিনা পোলিটিকেল ভেন্দেটা চত্থদুনা মহাক্কী মিং ইলেক্টোরেল রোলদগী লৌথোকখিবনি হায়না পঞ্জাবকী লৈঙাকপু মরাল শীরক্লি।

পনবা য়াবদি রাঘব চাধা হৌখিবা চহী ২০২২দা ভগৱান মননা লুচিংবা পঞ্জাবকী এ এ পি লৈঙাক্লা রাজ্য সভাগী এম পি ওইনা নোমিনেট তৌখিবনি। ২০২২দগী হৌদুনা রাজ্য সভাগী এম পি ওইনা লাক্লবা মতুং চহী অসিদা এ এ পি থাদোক্তুনা বি জে পিদা নৌনা জে ইন্ট তৌদুনা হৌজিক হৌজিক রুলিং পার্টিগী এম পি ওইদুনা লৈরিবনি।

হিরম অসিগী মতাংদা এম পি রাঘব চাধানা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা হৌজিক হৌজিক পঞ্জাবকী রাজ্য সভাগী এম পি ওইনা লৈরিবা মহাকপু করিগীদমক্তা পঞ্জাবকী ওইনা নৌনা ফোঙলিবা ইলেক্টোরেল রোল অসিদগী লৌথোকখিবনো। করিগুম্বা টেক্লিকেলগী ওইবা অশোয়বনা মরম ওইরগা ইলেক্টোরেল রোলদগী লৌথোকখিবা ওইরল্লবদি শেমদোক শাদোকপগী মতমগী মনুংদা মহাক্কী মিং অরোইবা ওইনা ফোঙগদৌরিবা ইলেক্টোরোল রোলদা হাপচিন্নবা হোৎনগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

# লুপা ক্রোর ৩০,০০০ চংনা লৈবাক অসিদা এয়ারপোর্ট ১০০ শেন্নবা থৌরাং তৌরি

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ০৩ (এজেন্সি): ইন্দিয়া লৈঙাক্লা 'মোদিফাইদ উরান' হায়না মিংথোনবা স্কিম অমা নৌনা হৌদোক্তুনা লাক্লিবা চহী ১০ অসিগী মনুংদা লৈবাক অসিদা এয়ারপোর্ট ১০০ নৌনা শাদুনা কনেক্টিভিটিগী মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা হোৎনরি।

সিভিল এভিয়েসন মিনিষ্টর কে রামমোহননা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মায়কৈদগী 'মোদিফাইদ উরান' স্কিম হায়না নৌনা হৌদোক্তুনা লুপা ক্রোর ৩০,০০০ চংনা এয়ারপোর্ট ১০০ শেমগৎ শাগৎনবা থৌরাং তৌরি। স্কিম অসিগী মখাদা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা অপীকপা সিটি, চীংগী মফম, মনুং হঞ্জিনবা মফমশিং য়াওনা তোঙান তোঙানবা আইসলেন্দশিংদা এয়ার কনেক্টিভিটিগী মপাঙ্গল কনখৎহন্দুনা তুরিজম, লল্লোন ইতিক অমদি থবক পীবগী খুদোঙচাবা পীনবা লেপ্পা লৈতনা হোৎনরি হায়না ফোঙদোরক্লি।

# চয়োল অমদা হুইনা চীকপগী থৌদোক ১০০ হেন্না থোকখ্রে

গুৱাহাতি, সেপ্টেম্বর ০৩ (এজেন্সি): হৌখিবা চয়োল অমা রোম অসিদা অসামগী দিব্রুগরদা হুইনা চিকপগী থৌদোক ১০২ হেন্না রিপোর্ট তৌরকখ্রে। থৌদোকশিং অসিনা মরম ওইরগা মফম অসিদা লৈরিবা খূঞ্জাশিংগী ৱাখল্লোনদা রেবিজ লায়না শর্তে দারক্কদ্রা হায়বগী চাওনা মীপায়বা লৈরে।

অসাম মিদিকেল কোলেজ এন্দ হোস্পিটালগী সুপরিন্টেন্দেন্ট ডোক্টর ধ্রুবা জোতি ভুয়ানা তেল্লবা মতমগী মনুংদা হুইনা চীকপগী থৌদোক মশিং লেপ্তুনা হেনগৎলক্লিবা অসিনা মরমর ওইরগা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা মপু লৈতবা মশিং য়াল্লবা হুই কয়া নৌনা এন্টিরেবিজ ভেক্সিনেসন কাপথোকপগী দ্রাইফ চংশিল্লগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

### সনা–সুদোকু–১০৬৮গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | 4 | 2 | 8 | 5 | 7 | 9 | 1 | 6 |
| 9 | 6 | 7 | 3 | 2 | 1 | 5 | 8 | 4 |
| 5 | 8 | 1 | 4 | 6 | 9 | 7 | 3 | 2 |
| 2 | 5 | 9 | 7 | 1 | 4 | 8 | 6 | 3 |
| 7 | 3 | 6 | 5 | 8 | 2 | 4 | 9 | 1 |
| 8 | 1 | 4 | 9 | 3 | 6 | 2 | 5 | 7 |
| 6 | 9 | 5 | 2 | 7 | 3 | 1 | 4 | 8 |
| 1 | 2 | 8 | 6 | 4 | 5 | 3 | 7 | 9 |
| 4 | 7 | 3 | 1 | 9 | 8 | 6 | 2 | 5 |

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**DIRECTORATE OF SOCIAL WELFARE**

**NOTIFICATION**
Inphal, the 31st August, 2026

No.1/Childline/ICPS(SW)2017-18(Pt-1): In continuation to this Department's notification of even no. dated 14th August, 2026 for engagement of 148 (one hundred and forty-eight) posts of contractual staff for setting up Child Helpline 1098 under Mission Vatsalya in Social Welfare Department, Government of Manipur, it is hereby informed to all concerned candidates that for administrative conveniences, the examination centres of candidates who have opted/selected for **Imphal Centres** and are appearing in the **Evening Shift** have been re-allotted to the examination centres mentioned below:

| Sl. No. | Post | Examination Centre |
|---|---|---|
| 1. | Helpline Administrator | i. DM College of Science, Imphal (Evening Shift) & |
| 2. | Project Co-ordinator | ii. DM College of Arts, Imphal (Evening Shift). (Centre will be indicated in respective Admit Cards) |
| 3. | IT Supervisor | DM College of Arts, Imphal (Evening Shift) |

Candidates are requested to take note of the revised examination centres allotted to each candidate and advised to download their Admit Card on or before **04-09-2026 (Friday)** from the Department's website www.socialwelfare.mn.gov.in. All other details shall remain unchanged.

For any change/notification, the same will be notified in the above mentioned Department's website. All concerned shall regularly check the above mentioned website for any update. Social Welfare Department will not take responsibility for any missed update/notification.

Sd/-
**(Sheikh Abdul Hakim)**
Director (Social Welfare),
Manipir.

SL/5460/3&4

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR**
IMPHAL WEST (CENTRAL)-II : MANIPUR
Ref. : Mut. Case No. 422/SDC/IW(C)-II of 2026 dt. 03/09/2026

Kshetrimayum Ranjita Devi W/O Anil Sougrakpam of Singjamei Mathak Thokchom Leikai. -Petitioner

-Vs-

(Late) Kshetrimayum Adela Devi W/O Yurembam Roji Singh of Singjamei Mayengbam Leikai . -O.P. (s)

**/ NOTICE**
Lamphel, the 03/09/2026

Under Sect. 46(3) of MLR & LR Act.1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি লৈখিদ্রবা Kshetrimayum Adela Devi গী মিংদা লৈবা ইম্ফাল ৱেষ্ট তহশিলগী খুল নম্বর 48-Singjamei অরিবা পাট্টা নম্বর 698 অনৌবা পাট্টা নম্বর 768 দাগ নং. 4183 অমসুং এরিয়া 0.0165 হেক্টর চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পিরিবা দংকারি Petitionerগী মমিংদা পানবীনবা Sub-Deputy Collector, Imphal West, (Central)-II উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে, অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙলবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা Objection তৌরগদবনি, মতুংদা লাকপা Objection লৌরোই কেস মখা চত্থরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Imphal West (Central)-II

SL/Sus04

**In the Court of The Sub-Deputy Collector Sugnu**
*Ref. :- Mutation Case No. 89/SDC/Sugnu of 2026, Dt. 03/09/2026*

App. Okram Chinglembi Devi W/O Thiyam Bisharup Singh of Ningomthong Sairom Leirak.

***-Verses-***

(Late) Okram Bidhu Singh S/O (Late) Gourahari Singh of Singjamei Makha Okram Leirak. - *O. P.*

**/NOTICE**
*Dated 03/09/2026*

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংগী মফমদা খংহঙ্গরি মদুদি ৱাইখোং তাহশিলগী মনুংদা লৈবা খুল নং. ৮৮–নুঙ্গু ৱাপোকপী পাটা নং ১৮০ (N) দাগ নং ৯৩ এরিয়া ১.১৫৯ একর চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাটাদার অসি মৃতু ওইখ্রে, মরম অদুনা দরখাষ্টকারিনা মাগী মমিংদা পাটা নামা পানবিরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরি লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি খবর অসিনা ফোংবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭(তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেনা ৱায়েৎচে পীশিনবীরক্কদবনি। করিগুম্বা অয়েৎপা লৈত্রবদি হৌনবি মতুং ইন্না কেস মখা চৎথজগনি।

*Sd/-*
**Sub-Deputy Collector**
**Waikhong/Sugnu**

*SL/Sus/04*

**In the Court of The Sub-Deputy Collector Sugnu**
*Ref. :- Mutation Case No. 88/SDC/Sugnu of 2026, Dt. 03/09/2026*

App. Okram Chinglembi Devi W/O Thiyam Bisharup Singh of Ningomthong Sairom Leirak.

***-Verses-***

(Late) Okram Bidhu Singh S/O (Late) Gourahari Singh of Singjamei Makha Okram Leirak. - *O. P.*

**/NOTICE**
*Dated 03/09/2026*

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংগী মফমদা খংহজরি মদুদি ৱাইখোং তাহশিলগী মনুংদা লৈবা খুল নং. ৮৮–নুঙ্গু ৱাপোকপী পাট্টা নং ১১৩ (N) দাগ নং ১০৫৬ এরিয়া ১.১৯ একর চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাটাদার অসি মৃতু ওইখ্রে, মরম অদুনা দরখাষ্টকারিনা মাগী মমিংদা পাট্টা নামা পানবিরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরি লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি খবর অসিনা ফোংবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭(তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেনা ৱায়েৎচে পীশিনবীরক্কদবনি। করিগুম্বা অয়েৎপা লৈত্রবদি হৌনবি মতুং ইন্না কেস মখা চৎথজগনি।

*Sd/-*
**Sub-Deputy Collector**
**Waikhong/Sugnu**

*SL/Sus/04*

**In the Court of The Sub-Deputy Collector Sugnu**
*Ref. :- Mutation Case No. 87/SDC/Sugnu of 2026, Dt. 03/09/2026*

App. Loitongbam Ibeyaima Devi W/O Late Loitongbam Gandhar Singh of Wangoo Mamang Sabal .

***-Verses-***

(Late) Loitongbam Gandhar Singh S/O Nillachandra Singh of Wangoo Sabal. - *O. P.*

**/NOTICE**
*Dated 03/09/2026*

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংগী মফমদা খংহজরি মদুদি ৱাইখোং তাহশিলগী মনুংদা লৈবা খুল নং. ৮৬–চাইরেল ৱাপোকপী পাট্টা নং ৫২৬ (N) দাগ নং (1) ১৫৪ (2)১৪২ এরিয়া (1) ১.১৮ (2)১.২৩ একর চাওবা *ফৌরেল, তাওথবী লৌফম* অসিগী পাটাদার অসি মৃতু ওইখ্রে, মরম অদুনা দরখাষ্টকারিনা মাগী মমিংদা পাট্টা নামা পানবিরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরি লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি খবর অসিনা ফোংবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭(তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেনা ৱায়েৎচে পীশিনবীরক্কদবনি। করিগুম্বা অয়েৎপা লৈত্রবদি হৌনবি মতুং ইন্না কেস মখা চৎথজগনি।

*Sd/-*
**Sub-Deputy Collector**
**Waikhong/Sugnu**

*SL/Sus/04*

# অন্দর–১৩ আস্মিতা সিটি ফুটবোল লীগ হৌখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৩ (এজেন্সি)ঃ ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মীৎয়েং মখাদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন (অম্ফা)না ঙসিদগী হৌদুনা থা অসিগী ৫ ফাওবা লম্লোং থোংখোঙদা লৈবা আর্টিফিসিয়েল টর্ফ গ্রাউন্দদা চথুগদৌরিবা অন্দর–১৩ গার্লস আস্মিতা সিটি ফুটবোল লীগ ২০২৬–২৭ শান্নবা হৌখ্রে।

লীগ অসিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা ৱাই দব্লিউ সি থম্বালখোং, ই এস য়ু, ক্রিপ্সা অমসুং ৱাই দব্লিউ সি লংথবাল মায় পাক্লা কেম্পেইন হৌদোক্লখ্রে।

আস্মিতা সিটি ফুটবোল লীগ অসিগী ওপনিং মেটচ ওইনা শান্নখিবদা ৱাই দব্লিউ সি থম্বালখোংনা আই সি এস এবু লাকচনা গোল ৮–০দা মায়থিবা পীখ্রে। ৱান সাইদদে ওইনা শান্নখিবা অসিদা ৱাই দব্লিউ সি থম্বালখোংগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১৫ ও য়াইফবীনা মেটচকী অঙনবা মিনিট ২ অমসুং ৫দা গোল অনী, জর্সি নম্বর ১০ এ রোসিনানা মেটচকী ১১শুবা, ১৯শুবা অমসুং ৩২ শুবা মিনিটতা গোল ৩ অমদি জর্সি নম্বর ৭ টিঐচ মাইপাকপীনা মেটচকী ২৬শুবা, ৩৪ শুবা অমসুং ৩৬শুবা মিনিটতা গোল অহুম চন্দুনা মখোয় অনীমক হেটত্রিক তৌবা ঙমখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা থম্বালখোংগী জর্সি নম্বর ৪৬ ৱাই মথোই মেটচকী ২৭শুবা অমসুং জর্সি নম্বর ৩৬ ই জুলিয়া মেটচকী ৫০শুবা মিনিটতা রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি। মেটচ অসি এস উমানা রেফরি, নাংসা তেশিলফুমনা এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান, ইলিয়া কাংতেননা এসিষ্টেন্ট রেফরি তু, টি দিয়ানা ফোর্থ ওফিসিয়েল অমসুং ঐচ অমর্জিৎনা মেটচ কম্মীস্নর ওইনা কন্দক্ত তৌখি।

অনীশুবা মেটচ ওইনা শান্নখিবদা ই এস য়ুনা মুফাবু গোল ২–০দা মায়থিবা পীখি। মেটচ অসিদা মায় পাক্লবা ই এস য়ুগী গোলশিং অদু অহানবা হাল্ফকী ২৫ প্লস ১ শুবা মিনিটতা জর্সি নম্বর ১০ মীনরভা এলনা অমসুং অনীশুবা হাল্ফতা জর্সি নম্বর ৬ কেঐচ চাওবানা মেটচকী ৪৮শুবা মিনিটতা গোল অমমম চনখি।

মেটচ অসিদা ই এস য়ুগী জর্সি নম্বর ৭ এম মিক্কি মেটচকী ৩২শুবা মিনিটতা রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি। শান্নখিবা মেটচ অসি টি দিয়ানা রেফরি, নাঙসা তেশিলফুমনা এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান, ইলিয়া কাংতেননা এসিষ্টেন্ট রেফরি তু, এস উমানা ফোর্থ ওফিসিয়েল অমসুং ঐচ অমর্জিৎনা মেটচ কম্মিস্নর ওইনা কন্দক্ত তৌখি।

ঙসিগী অহুমশুবা মেটচ ওইনা নুংথিলদা শান্নখিবা মেটচতনা ক্রিপ্সা নাওরেমথোংনা এস এস সি বু গোল ২–০দা মায়থিবা পীখি। মায় পাক্লবা ক্রিপ্সাগী গোলশিং অদু মেটচকী ১৫শুবা মিনিটতা জর্সি নম্বর ১২ সিঐচ জেলিনা অমসুং জর্সি নম্বর ৭ টিঐচ সৈরলিনা মেটচকী ৪৪শুবা মিনিটতা চনখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি সিঐচ বিমোলবালানা রেফরি, এন সনানা এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান, কেএল নিংথানা এসিষ্টেন্ট রেফরি তু অমসুং এন অঞ্জুনা ফোর্থ ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক্ত তৌখি।

লীগ অসিগী নুংথিলদা শান্নখিবা অতোপ্পা মরিশুবা মেটচ অমদা ৱাই দব্লিউ সি লংথবালনা এফ সি ইম্ফালবু গোল ১–০দা মায়থিবা পীখি। মায় পাক্লবা ৱাই দব্লিউ সি লংথবালগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু জর্সি নম্বর ৭ এস তোন্দোনবিনা মেটচকী ২৬শুবা মিনিটতা চনবা ঙমখি। মেটচ অসিদা এফ সি ইম্ফালগী জর্সি নম্বর ৫ এনজি লিন্থোই মেটচকী ১৫শুবদা রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি এন অঞ্জুনা রেফরি, কেএল নিংথানা এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান, এন সনানা এসিষ্টেন্ট রেফরি তু অমসুং সিঐচ বিমোলবালানা ফোর্থ ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

## মেন’স বেদমিন্টন অমসুং ফুটবোল টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০৩ (এস এন এস)ঃ ৮৭শুবা বট্টালিয়ন সি আর পি এফ, উচাথোল জিরিবাম অমদি মিনিষ্ট্রি ওফ য়ুঠ এফিয়স এন্দ স্পোর্টস (সাই), খেলো ইন্দিয়া, ফিট ইন্দিয়া, আস্মিতা অমদি আই জি মণিপুর, নাগালেন্দ সেক্টর সি আর পি এফনা শীন্দুনা টুর্নামেন্ট অনী বেদমিন্ট অমসুং ফুটবোল তামেংলোং অমসুং নোনে দিষ্ট্রিক্টতা স্পোর্টস ফোর পিউ এন্দ দিভলপমেন্ট এক্রোস নেসনগী মনুং চন্না পাঙথোক্কদৌরি।

মেন’স সিঙ্গলস বেদমিন্টন টুর্নামেন্টনা নোনে দিষ্ট্রিক্টকী কামবিরোনদা থা অসিগী ৮দগী ১০ ফাওবা অদুগা মেন’স ফুটবোলনা থা অসিগী ১১দগী ১৩ ফাওবা তামেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী লাউং কাওদা পাঙথোক্লগনি।

টুর্নামেন্ট অনী অসিগী প্রাইজশিংদা ৱিন্নরদা লুপা লিশিং ১০, রন্নরস অপ্তা লুপা লিশিং ১০ অমসুং থার্দ প্লেসতা লুপা লিশিং ৪নি।

নাকল অমরোমদা মোন্সাঙ্গৈদা লৈবা ১০৯ বট্টালিয়ন সি আর পি এফনা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া (সাই) গা খুৎশম্নদুনা মণিপুরদা ইং–তপ্পা অমদি চাউখৎপা পুরক্লবগী পাউজেল পীবা তোঙান তোঙানবা দিসিপ্লিন কয়াগী মশান্নশিং পাঙথোক্লগনি। থা অসিগী ৫দা বট্টালিয়ন অসিগী লৈরিবা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা কিমি ১০গী মরাথোনগী মথক্তা সাইক্লিং অমদি আর্চরিগী ইভেন্ট কয়া পাঙথোক্লগনি হায়না বট্টালিয়ন অসিগী মায়কৈদগী খঙহল্লক্লি।

# আই এ এফ ওপন রিক্যুটমেন্ত রেল্লিদা অগ্নিবিরবায়ু ওইনা মণিপুরদগী নুপীমচা ৬ খনখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০৩ (এস এন এস)ঃ থা অসিগী ১দা নাগালেন্দদা ইন্দিয়ন এয়র ফোর্স (আই ও এফ)না চথখিবা ৱুমেন’স সেলেক্সন সাইকলদা মায় পাক্নুনা অগ্নিবিরবায়ু ওইনা মণিপুরদগী নুপীমচা ৬ মায় পাকখ্রে।

ইন্দিয়ান এয়র ফোর্সকী মায়কৈদগী থাদোরকপা ৱারোল অমদা থা অসিগী ১দা পাঙথোকখিবা ৱুমেন’স সেলেক্সন সাইকল অদুদা পূন্না মীওই ৯২না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখি। সেলেক্সন সাইকল অদুদা মণিপুরদগী নুপীমচা ৬, নাগালেন্দগী ৩ পূন্না মীওই ৯ ইন্দিয়ন এয়রফোর্সতা অগ্নিবিরবায়ু ওইনা ইন্দক্ত তৌরে হায়না ফোঙদোরক্লি। আই এ এফকী মায়কৈদগী থাদোরকপা ৱারোল অসিনা মখা তানা হায়, লাক্লিবা থা অসিগী ৪দা আই এ এফতা অগ্নিবিরবায়ু ওইনা সেলেক্সন তৌনবগীদমক অৱং নোংপোক্কী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মেইন সেলেক্সন সাইকলসু পাঙথোক্লগনি হায়রি।

## ত্রাইয়েল সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০৩ (এস এন এস)ঃ সাইক্লিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা চহী অসিগী ওক্টোবর ১দগী ৪ ফাওবা ওড়িষাদা পাঙথোক্কদৌরিবা নেসনেল মাউন্তেন বাইক সাইক্লিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৬তা শরুক য়ানবগী ষ্টেটকী সাইক্লিং টিম শেম্নবগী মণিপুর সাইক্লিং এসোসিয়েসনগী মাউন্তেন বাইক সাইক্লিংনা থা অসিগী ১০দা ইম্ফাল ইষ্টকী অৱা চীংদা ত্রাইয়েল সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি হায়রি।

ত্রাইয়েল অসিদা সব–জুনিয়র, জুনিয়র অমদি ইলাইট মেন এন্দ ৱুমেনগী মাউন্তেন বাইকরশিং মণিপুর সাইক্লিং এসোসিয়েসনদা রেজিষ্টার তৌরবা শরুক য়ানিংবশিংনা থা অসিগী ৮গী নুংথিল পুং ২ তাবা ফাওবগী মনুংদা লাক্নুনা এসোসিয়েসন অসিদা ফোর্ম পীনগদবনি।

ফোর্ম থাজিনবা মতমদা খ্বাইদগী নৌবা পাস্পোর্ট ফোতো কোপি ২, অধার কার্দ কোপি অমদি বার্থ সার্টিফিকেটনচিংবশিং য়াওগদবনি হায়না এসোসিয়েসন অসিনা থাদোরকপা চেরোল অসিনা মখা তানা খঙহল্লক্লি।

## দাশুনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৩ (এজেন্সি)ঃ মণিপুর মাষ্টরস এঠলেটিক এসোসিয়েসনগী লম্লোং থোংখোংদা লৈবা এসোসিয়েসন অসিগী ওফিসতা ঙসি অয়ূক পুং ৮ তাবদা মণিপুর মাষ্টরস এঠলেটিক এসোসিয়েসনগী মতম শাংনা মেম্বর ওইরম্বতা নত্তনা শান্নরোইসু ওইরিবী থৌদাম দাশু দেবীনা ইখং খঙহৌদনা লৈখিদবদা মিনিট ২ তুমিন্না লেপ্পুনা অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম পাঙথোকখ্রে।

লৈখিদ্রবী দাশুনা এসোসিয়েসন অসিদা য়াওরিঙৈ মতমদা ইভেন্ট কয়াদা মেদল লৌরুক্নুনা ষ্টেট অসিগী মিংচৎ পুরক্লবা শান্নরোইনি। মহাক্কী থৱায়না মপুগী মনাক্তা ইংনা চীক্লা লৈরুনবা থৌনিখিবগা লোয়ননা ইমুং মনুংনা নঙহৌরিবা অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়না মণিপুর মাষ্টরস এঠলেটিক এসোসিয়েসনগী সেক্রেটরী আরকে চৌরজিৎনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

## ৩২শুবা বট্টালিয়ন সি আর পি এফনা শীন্দুনা লমশাং লমজেল পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০৩ (এস এন এস)ঃ মিনিষ্ট্রি ওফ য়ুঠ এফিয়স এন্দ স্পোর্টসকী মীৎয়েং মখাদা ৩২শুবা বট্টালিয়ন সি আর পি এফ অমসুং স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া (সাই) গা খুৎশম্নদুনা খেলো ইন্দিয়া স্পোর্টস ফোর পিছ এন্দ দিলভপমেন্টকী মনুং চন্না থা অসিগী ৫দা কিলোমিটর ১০ শাংবা লমশাং লমজেল পাঙথোক্লগনি হায়না লোক্তাক প্রোজেক্টতা লৈবা ৩২শুবা বট্টালিয়নকী কম্মান্দিং ওফিসারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

রন ফোর ফিটনেস, রন ফোর নেসন, পিছ, য়ুনিটি, দিসিপ্লিন, ফিটনেস অমসুং সোসিয়েল হারমোনি হায়বা পাউজেল পুদুনা চেন্নগদৌরিবা লমশাং লমজেল অসি অয়ূক পুং ৬তাবদা কুম্বীদগী লমথারবা মতুং থাঙ্গ এ সিগী মোইরাংখুনৌদা লৈবা ইলেক্ট্রিসিটি সব ষ্টেসন মপাদগী মমায় লৈদুনা হল্লক্লগা কুম্বি কৈথেলদা পন্থুক্ফম ওইগনি হায়রি।

পাঙথোক্কদৌরিবা লমশাং লমজেল অসিদা চহী ১৮ মথক্তা লৈবা নুপা খক্তা শরুক য়াগদবনি। লোয়ননা লমশাং লমজেল অসিদা মকোক মথং তারবশিংদা শেলগী মনা লুপা লিশিং ১০, লিশিং ৬ অমসুং লিশিং ৪গী মনা থল্লি। লমজেল অসি য়াওনবা অহানবা রেজিষ্ট্রেসন তৌরকপা লমজে ল্লোই ১০০দা টি–সর্টশিং পীগনি। লমশাং লমজেল অসিগী অবৃক্পা মরোল ৯৪০৭৬৫১৮৭৯দগী খঙলবা য়াগনি হায়না চেরোল অসিনা মখা তারি।

# ৪শুবা নেসনেল শরিৎ–শরাক চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৬কীদমক মণিপুরগী টিম ইম্ফাল থাদোকখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৩ (এজেন্সি)ঃ শরিৎ–শরাক ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা শরিৎ–শরাক এসোসিয়েসন ওফ জম্মু এন্দ কাশ্মিরনা শীন্দুনা কাশ্মিরগী অনান্তাগ দিষ্ট্রিক্টকী পাহালগমদা লৈবা হোটেল পার্ক পেলেসতা পাঙথোক্কদবা থা অসিগী ৭তগী ৯ ফাওবা ৪শুবা নেসনেল শরিৎ–শরাক চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৬তা শরুক য়াগদবা মীওই ৭০না মণিপুরগী শরিৎ–শরাক টিম ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদগী লাকপা শান্নরোইশিংনা অহানবা চাইনবা, অনীশুবা চাইনাবা অমদি শরিৎ–শরাক গ্রুকপকী কম্পিটিসনদা অথোই অহেন তান্নগদৌরিবা অসিদা ষ্টেটকী নুপা অমসুং নুপী শান্নরোইশিং অদুদি সব–জুনিয়র বোইজকী অহানবা চইনাবদা কেজি ৩৫দা লোংজম য়োহেনবা মৈতৈ, কেজি ৪০দা লোংজম অঙৌসনা, কেজি ৪৫দা লোংজম পূন্সিবা মৈতৈ, কেজি ৫০দা সোরাম দেভা অমসুং কেজি ৫০ মথক্তা ৱাহেংবম নেন্সননি।

সব–জুনিয়র বোইজকী অনীশুবা চাইনাবগী কেজি ৩৫দা মুতুম অঙম্বা মঙাং, কেজি ৪০দা ঙাশেপম রেইনবো, কেজি ৪৫দা ইরুংবম বোমসন, কেজি ৫০দা চিংঙাংবম নরেস অমসুং কেজি ৫০ মথক্তা নিংথৌজম তোমথিনঙানবানি।

সব–জুনিয়র গালর্সকী অহানবা চাইনাবগী কেজি ৩৫দা মৈস্নাম মালেমঙানবী চনু, কেজি ৪০দা খাইদেম বিদিয়া, কেজি ৪৫দা বেমবেম লাইশ্রম, কেজি ৫০দা প্রিতি মাইবম অমসুং কেজি ৫০ মথক্তা লাংলেনসনা চনু লৈমাপোকপমনি। কেটাগোরি অসিগী অনীশুবা চাইনাবগী কেজি ৪০দা লৈচোম্বম এলিনা, কেজি ৪৪দা লৈমাপোকপম তাপিসনা চনু, কেজি ৫০দা সম্বানদ্রাম য়াইফবী অমসুং কেজি ৫০ মথক্তা নোংথোম্বম সর্লা চনুনি।

জুনিয়র বোইজকী অহানবা চাইনাবদা কেজি ৫০ দা ময়াংলম্বম অবিন্দ্রা, কেজি ৫৫দা লনচেনবা লাইশ্রম, কেজি ৬০দা মাইবম পামহৈবা অমসুং কেজি ৬০ মথক্তা কঙাবম নরেসনি। জুনিয়র বোইজ অসিগী অনীশুবা চাইনাবগী কেজি ৪৫দা সলাম পূন্সিবা মৈতৈ, কেজি ৫০দা হৈস্নাম রাজু, কেজি ৫৫দা ক্ষেত্রিময়ুম সনাথোই মৈতৈ, কেজি ৬০দা শামুলাইলাৎপম বোইচা শর্ম্মা অমসুং কেজি ৬০ মথক্তা ঙাশেপম নিংথেম মৈতৈনি।

জুনিয়র গালর্সকী অহানবা চাইনাবগী কেজি ৫০দা ব্রিন্দা লোংজম, কেজি ৫৫দা থিঙুজম মেগা. কেজি ৬০দা তোনিবালা লাইশ্রম অমসুং কেজি ৬০মথক্তা লাইশ্রম অনশিতানি। জুনিয়র গালর্সকী অনীশুবা চাইনাবগী কেজি ৫০দা লৈশাংথেম দৈনা অমসুং কেজি ৫৫দা মাইবম তোম্বা দেবীনি।

সেনিয়র বোইজকী অহানবা চাইনাবগী কেজি ৫৫দা ৱাইরোকপম অর্জুনে মৈতৈ, কেজি ৬০দা থোকচোম এলেক্স মৈতৈ, কেজি ৬৫দা হঞ্জবম বোইতোন শর্ম্মা, কেজি ৭০দা ক্ষেত্রিময়ুম তোমথিন মৈতৈ অমসুং কেজি ৭০ মথক্তা লাইশ্রম নোইনোই মৈতৈনি। কেটাগোরি অসিগী অনীশুবা চাইনাবগী কেজি ৫৫দা সোরাম সনাথোই, কেজি ৬০দা লোংজম জেমসন, কেজি ৬৫দা এলাংবম জয়চান্দ মৈতৈ, কেজি ৭০দা নামৈরাকপম লৈশেম্বা মঙাং অমসুং কেজি ৭০ মথক্তা হুইদ্রোম হেন্নিথোইনি।

সেনিয়র গালর্সকী অহানবা চাইনাবগী কেজি ৫৫দা থাংজম রিতুসনা চনু, কেজি ৬০দা লোংজম রোশিনি, কেজি ৬৫দা ওইনাম রোমা, কেজি ৭০ মথক্তা সোরাম থাদোইসনানি। কেটাগোরি অসিগী অনীশুবা চাইনাবগী কেজি ৫৫দা লোংজম বন্দনা অমসুং কেজি ৬০দা হাওবম সুনুতা চনুনি।

জুনিয়র বোইজকী শরিৎ–শরাক গ্রুপ মেদোদা কাঙুজম রোমিও, পেবম লেম্বা মৈতৈ, থিংবাইজম রোবর্ট অমসুং হৈস্নাম রাজুনি।

টিম অসিগী ওফিসিয়েলদা লাইশ্রম লশামোননা গ্রান্দমাষ্টর (এস এস এফ আই), থিয়াম কোরানা দিপ্যুটি গ্রান্দ মাষ্টর (এস এস এফ আই), নামৈরাপম জিবননা প্রসিদেন্ট (এস এস এফ আই), নিংথৌজম ইবোহল মৈতৈনা ভাইস প্রসিদেন্ট (এস এস এফ আই), খুরাইজম নিলাক্ত্না ওফিসিয়েল, মুতুম ওজিৎনা মেন’স টিম মেনেজর, শৌগ্রাকপম বিশেশ্বর মৈতৈনা মেন’স টিম কোচ, লাইশ্রম নেহরুনা এসিষ্টেন্ট মেন’স যিম মেনেজর, নাওরেম প্রেমজিৎনা মেন’স এসিষ্টেন্ট টিম কোচ, সোইবম লমঙানবানা ওফিসিয়েল, ক্ষেত্রিময়ুম বিশ্বরজিৎ মৈতৈনা ওফিসিয়েল, বিরজিলাল ওইনামনা ওফিসিয়েল, মাইবম অহোংজাওনা ওফিসিয়েল, চোংথাম প্রেমাবতিনা ৱুমেন টিম মেনেজর, মুতুম থোইবিমচা চনুনা এসিষ্টেন্ট ৱুমেন টিম মেনেজর, অঙোম সনাতোম্বী চনুনা ৱুমেন’স টিম কোচ অমসুং নাওরোইবম রোনিসনানা ৱুমেন’স এসিষ্টেন্ট টিম কোচ ওইনা লুচিংলি হায়না শরিৎ–শরাক এসোসিয়েসন মণিপুরগী সেক্রেটরী শৌগ্রাকপম বিশেশ্বর মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

## নোনে, তামেংলোং দিষ্ট্রিক্টগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা কিমি ১০গী মরাথোন পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০৩ (এস এন এস)ঃ লৈবাক অসিদা শান্ন–খোৎনবগী খূথাংদা পিছ, দিভলপমেন্ট, ফেজিকেল ফিটনেস অমদি হেল্দি সোসাইটি অমা শেম্নবগী পান্দমদা ১৪৩ বট্টালিয়ন সি আর পি এফনা ৱেষ্টনা খেলো ইন্দিয়া ‘স্পোর্টস ফোর পিছ এন্দ দিভলপমেন্ট’ গী ইনিসিয়েটিভকী মখাদা নোনে দিষ্ট্রিক্টকী তোঙানা তোঙানবা মফমদা কিলোমিটর ১০গী মরাথোন ইভেন্ট পাঙথোক্লগনি।

থা অসিগী ৫দা পাঙথোক্কদৌরিবা কিলোমিটর ১০গী মরাথোন ইভেন্ট অদু এফ / ১৪৩ শুবা বট্টালিয়ন সি আর পি এফ নুংবা, জি /১৪৩ শুবা বট্টালিয়ন সি আর পি এফ ইরাং, ২১৬ শুবা সি আর পি এফ বট্টালিয়ন, এ বি সি আই বেজ, অৱাংখুল পার্ট–২ অমসুং ১৩৮শুবা সি আর পি এফ বট্টালিয়ন খোংশাংদা পাঙথোক্কনি।

তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোক্কদৌরিবা মেন্স কিলোমিটর ১০গী মরাথোন অসিদা শরুক য়াবীনিংবা মীওইশিং অদু মশাগী চহী ১৮ নৎত্রগা হেনবা ওইগদবনি হায়রি। মরাথোন ইভেন্ট অসিদা অহানবা পোজিসনদা শেলগী মনা লুপা লিশিং ১০, অনীশুবা পোজিসনদা শেলগী মনা লুপা লিশিং ৬ অমসুং অহুমশুবা পোজিসনদা শেলগী মনা লুপা লিশিং ৪গা লোয়ননা মেদল সার্টিফিকেট পীগদৌরি। লোয়ননা মরাথোন অসিগী হান্না রেজিষ্টার তৌরকপা শান্নরোই ১০০ দা ইভেন্ট অসিগা মরী লৈনবা টি–সার্ট পীগনি হায়রি।

নাকল অমরোমদা, ১৪৩ বট্টালিয়ন সি আর পি এফনসু শীন্দুনা তামেংলোং দিষ্ট্রিক্টতসু কিলোমিটর ১০গী মরাথোন থা অসিগী ৫দা পাঙথোক্কনি হায়না খঙহল্লক্লি। পাঙথোক্কদৌরিবা মরাথোন অসিদসু অহানবা অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা পোজিসনশিংদা শেলগী মনা লুপা লিশিং ১০, লিশিং ৬ অমসুং লিশিং ৪গী মনা থল্লি।

## এসিয়ন গেমস ২০২৬তা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়ন মেন’স ক্রিকেট টিমগী কোচ লক্ষমননা ওইরগনি



ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ০৩ (এজেন্সি)ঃ জপানগী আইচি–নগোয়াদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ন গেমস ২০২৬তা শরুক য়াগদৌরিবা ইন্দিয়ান মেন’স ক্রিকেট টিমগী কোচ ওইনা হৌজিক হৌজিক বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ক্রিকেট ইন্দিয়া (বি সি সি আই) গী ডাইরেক্টর ওফ ক্রিকেটকী থৌ পুরিবা ভি ভি এস লক্ষমনবু এপোইন্ট তৌখ্রে।

স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী থোকপা নোটিফিকেসন অমগী মতুংইন্না এসিয়ন গেমস ২০২৬তা শরুক য়াগদৌরিবা ইন্দিয়ন মেন’স টিমদা ভি ভি এস লক্ষননা কোচ ওইরগনি অদুগা সুনিল জোসি, রিশিকেস কনিকর অমসুং সুদিভ ঘোসনা ভি ভি এস লক্ষমনবু এসিষ্ট তৌরগনি হায়রি।

চাইনাগী হাংঝৌদা পাঙথোকখিবা এসিয়ন গেমস ২০২৩গী ক্রিকেট ইভেন্টদা ভি ভি এস লক্ষমননা কোচ ওইদুনা ইন্দিয়ন মেন’স ক্রিকেট টিমনা গোল্ড মেদল লৌদুনা মিংচৎ পুরকখ্রবনি।

অমরোমদা হৌজিক হৌজিক ইন্দিয়ন সেনিয়র ক্রিকেট টিম গৌতম গম্ভিরনা মখা তানা হেদ কোচকী থৌ পুদুনা লাক্লিবা থা অসিগী ২৭তগী হৌদুনা ৱেষ্ট ইন্দিজকা শান্নগদৌরিবা ও দি আই সেরিস শান্নগনি হায়রি।

লাক্লিবা থা অসিগী ২৪দা এসিয়ন গেমসকী ইভেন্ট অমা ওইনা ইন্দিয়ন মেন’স ক্রিকেট টিমগী অহানবা মেটচ শান্নগনি। অমরোমদা অমুল মুজুন্দরনা ইন্দিয়ান ৱুমেন’স টিমগী মখা তানা হেদ কোচকী থৌ পুরগনি। বোলিং কোচ অবিস্কর সালবি অমদি ফিল্ডিং কোচ মুনিস বালিনা মুজুমদরবু এসিষ্ট তৌগনি হায়রি।

জপাননা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ন গেমস ২০২৬ অসিদা গ্রুপ–এগী অনীশুবা মফমদা লৈবা টিমনা কার্টর ফাইনেল ষ্টেজতা ইন্দিয়ন ৱুমেন টিমগা লম্বা তৌনগনি হায়রি। পনবা য়াবদি মমাঙদা পাঙথোকখিবা এসিয়ন গেমসতা মেন’স অমদি ৱুমেন’স ক্রিকেট ইভেন্টদা ইন্দিয়ানা গোল্ড মেদল লৌখিবনি।

## অর্জেন্তিনাদা শান্নবা মেটচশিং মিনিট ১০ লেপ্পুনা মেসিদা ইকায় খূম্নবা উৎক্কদৌরি



ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ০৩ (এজেন্সি)ঃ অর্জেন্তিনাদা শান্নবা ফুটবোল মেটচ খুদিংগী মনুংদা মিনিট ১০ লেপ্পুনা ইন্টরনেসনেল ফুটবোল কেরিয়রদগী পোত্থানবগী ৱারেপ লৌখ্রবা মালেমগী ওইনা থোয়দোক হেন্দোক্লা শীংথানরবা ফুটবোল প্লেয়র লিওনেল মেসিগী মফমদা ইকায় খূম্নবা উৎক্কদৌরি।

রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না ফুটবোল মশান্নদা অর্জেন্তিনাবু মালেমগী থাক্তা মকোক থোংবা লৈবাক অমা ওইনবা হোৎনবদা থোয়দোক হেন্দোক্লা মরুওইবা থৌদাং লৌদুনা লৈবাক্কী মিংচৎ পুরকখ্রবা লিওনেল মেসিগী মফমদা ইকায় খূম্নবা উৎপা ওইনা অর্জেন্তিনাদা পাঙথোকপা মেন’স অমদি ৱুমেন’স লীগ টুর্নামেন্টশিংগী মেটচশিং শান্নরিঙৈ মনুংদা মিনিট ১০ লেপ্পবগী ৱারেপ লৌখিবনি হায়রি।

পনবা য়াবদি জর্সি নম্বর ১০ লিৎতুনা অর্জেন্তিনাগী সেনিয়র নেসনেল ফুটবোল টিমদা মশাগী চহী ২১দগী হৌদুনা শান্নরকখিবা লিওনেল মেসিনা মশাগী চহী ৩৯ শুরকপগা ইরোয়ননা হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ইন্টরনেসনেল ফুটবোল কেরিয়রদগী পোত্থানবগী ৱারেপ লৌখিবনি। লিওনেল মেসি ইন্টরনেসনেল ফুটবোল মেটচ ২০৭ শান্নদুনা পূন্না গোল ১২৫ চন্দুনা লৈবাক অসিগী নেসনেল রেকোর্দসু চল্লিবা অমত্তা ঙাইরবা ফুটবোল্লরসু ওইরিবনি।



SL/B(KK)/31 (one month)

Owned and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt. Ltd. from Khwai Brahmapur, Nagamapal, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Kongpal Kongkham Leikai, Imphal East, Imphal-795005, Manipur
Editor: Dr. Khaidem Athouba, RNI Registration No. 31350/ 77; e-mail sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com